


ইঁরাৎ লাইশোল



শৈথোমজবা :— পুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ

তাং ৩ | ১১ | ৮৩ ইং

ইরাৎ লাইশোল

(অনিশুবা শরুক)

(মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীগী তেংবাংগা
লোইমনা ফোঙবা)।

শৈথোমজবা :— খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ
[illegible]

পাকোংবা :— মৈতৈ মযেক অর্গেনাইজিং এণ্ড রিসার্চ
এসোসিএশন, উরিপোক মাওরেমথোং ইম্ফাল
রেজিষ্টার নং ২১৮/৬৩ ইং

মমল :— রুপা ৭.০০ খক্তি

কপি :— ১১০০



নমখং :— লুকমনী প্রেস উরিপোক ইম্ফাল।

ইরাৎ লাইশোল

(অনিশুবা শরুক)

(মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীগী তেংবাংবা লোইননা থোকউবা)।

শৈথোকপা :— খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ

[illegible]

সকোংবা :— মৈতৈ মযেক অর্গেনাইজিং এণ্ড রিসার্চ
এসোসিয়েশন, উরিপোক মাওরেমথোং ইম্ফাল
রেজিষ্টার নং ২১৮/৭৩ ইং

মমল :— লুপা ৭.০০ তনি

কপি :— ১১০০

মখম :— লুকেস্বরী প্রেস উরিপোক ইম্ফাল।

[illegible]-বাক্ক

ঐনা ঐগী অনিশুবা পুদোন্ (হিবমসিদা) "ইবাং লাই-শোদ" হায়বা কোবা লাইরিক অমা। চীরাকপী মকনদা লাহোক-চরি। মসি হৌজিক্কমক মনিপুরী চৌ-ওমগী মকম অমাবদা চহিচা কয়ামকবগী চিথাং ঐনা মথং মথং শিজিন্নরকবা ইবাং-কী ওইবা লাইশোদ (লাইরোল্) শিংবনি। হিবম সিদা ইবা লাইরিক অসিগী চয়কম থবা লৈগনি নিংহুনা হৈত হৈত ইজগনি।

মনিপুরগী সংস্কৃতি-ইতিহাস, সংস্কৃতি-মতাংদা লৈনবদা মতম্ থরং ওইবদু মাই থক্কহনা হোৎনজগনি। লোয়নবা মনিপুরী মাতিতামী শিজনা লৈতদ অমত্তু ওইগনি নিংই। ঐনা লাই-[illegible] [illegible] [illegible] মথক্তা হিবমসিদা ইবিংবা অমদি লৈননিংবা পোকখি। মসিগী [illegible] থবক শরুক [illegible]

[illegible]-[illegible]—[illegible]-তু [illegible] অমমুং চুপথা মোইথেংবদা শিজিন্নে। থেলোন নত্রগা তেংথা অসি লাইনিংগী মতিক মতন শক শোনবনি। চুমথো তেংবীলোল্ অসি চুমিংপু থেবনা থোকলকপদা তাইবত মীয়ামা হয়াংনা হেনেব, পুকাল, চুপ, কেগে, মোইরাংবা তেংথানবনি।

লোংপোক তকপি খেলোন্ব:—লম-তু তাইবা, মাইকে তাইবা বাংলৈন কৌক্রনডিংবা তাইবদা অরোইবা [illegible] শিজিন্নি। ককচিংগী লাই হয়াউবা লোইরগা থেলোন অসিনা তাইগনি।

লাই লাইগী হৈকং-লৈকপা মসি শিজিন্নৈ। "লৰবৰলোন"—লম লমগী লাই তাইবা অমদি ইরাং খোবিরমজিবগী। মসি অমাইবনা শকলি। লোইননা চুপপা লোইথোকপা শিজিন্নৈ। "ফুরিং কাপ্পা"—চুপপা লোইথোকপা শিজিন্নৈ। "ফুরিং কাপ্পা" বারী মপু-দা মায়রবগী লাইশোল ওইনা শিজিন্নবা অদিনা অপঙ্বনি। লোইননা লাইশিংগী হৈকং-লৈকংদা শিজিন্নবা লাইশোল থমমু হাপচরি। "শারোল লাইরেম্মা লৌভারোল", অমদি 'লৌভারোল ইবৈ' লাই হরাওবা, চিরাওবা, নরেন কংপো-নচিংবা লাইশোল থমনা অরোইবদা থমজরি। মসি হরাওবদা শিজিন্নৈ।

লাইহরাওবা অসি ইবা মতমদা মথাদা ইরিক ওজা/গুরু অহুম লমজিংবি। লোইননা পুরা থবগী মতেং পাংলি। ওকশিং অসিগী মতেং নংজবা লাইহরাওবা অসি পুলোকপ ইমা ইতিক নংচনে। পুনসি চুপ্পা মথোকপগী লমন হোৎনবনি। গুরু শিংগী মমিং মথাদা পীকরি।

১। শ্রীযুক্ত নাওরেম সনাহৈমা সিংহ "পণ্ডিত অচৌবা" "মাইচৌ" কেলো (MSKA) ককচিং খুরেল নিংথৌ লৈকাইদ মনিপুর।

২। শ্রীযুক্ত ওয়াইখোম কুলচন্দ্র সিংহ "মাইচৌ" "পণ্ডিত ভূষণ" কাউন্সিলর(MSKA), থবাল বি, পি, ও, লংথাং মনিপুর।

৩। শ্রীযুক্ত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ মাইচৌ "গবেষণ-ভূষণ" ডিভিটি কেলো (জওহরলাল নেহরু ইউনিভর্সিটী সেন্তর মনিপুর), কাউন্সিলর (MSKA) উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকাই ইম্ফাল, মনিপুর।

লাইরিক অ'সিগী মরমদা ১ড পীনখুবা থাগৎ হাহে ইমিমিক পণ্ডিতশিংগী মমব তোনশিনরে। লাইরিক অসিগা কমিতক মখাল অহুই হাওনবদু মখাগী থুংনবদা চুমথোকখ্রনি। কবু ওহশিংনা অয়াবনা তাকপিরকবনি মতুংগী মবক্তা তৌবিনবা থবক ইংচবি। তাকপিরকপগীদমক অদোমগী চাওনবা ১ক্ষেং কয়ে হায়কবা পৌকননি।

লাইরিক অসিকা মগাজদা থারবা থকদঃ নংমিরবমি অইবগী বোমজবদগী মঠে মাগে থাত্ননা পৌকরি। পোত্তনদা চিরক- লিদা শিজিন হুবতিহিবা মীওইশিং অমদি লাইগী লেখা তৌবিবা কমিটিশিংদা লাইরিক অসিনা থাদবা পীগনি মিংই। লাইরিক অসি ফোংনবা মনিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীনা তেংবাংবিরকপগী মবক্তা একাডেমীবু থাগৎচবি।

অইবা—১৬।৬।৮২ ইং

থাগৎ বাহৈ

শ্রীযুক্ত খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ, ঐগী ইচা সেবক অসিনা য়াম্না য়াম্না হোৎজহনা পুয়াশিংদগী খোমজিন্দুনা ইথোক্লক্লিবা "ঈরাৎ লাইশোল অনিগুবা শরুক" অসি পাজরে।

লাইরিক অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা থোইনা হেন্না কান্নবা পীগনি নিংই। লাইরিক অসি উমংলাইগী সেবাদা অমদি ইনাৎকী ওইবা ঈরাৎ থৌরমশিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নবা পীগনি।

অইবা অসিনা মতুংদসু অসিগুম্বা লাইরিক কয়ামরুম পু-থোক্লকখিনি হায়না আশা তৌরি। লেখকপু থোয়য়ম লাইনা তেংবাংবিবা অমসুং পুন্সি মুংশাংবা পীবিসনু।

শ্রীনাওরেম অযুয়াইমা সিংহ

১৫।৬।৮২ ইং

পণ্ডিত অচৌবা ম্নাকোম্নুং পণ্ডিত লোয়শঙ,

"কেলো" "মাইচৌ" ককচিং নিংথৌ লৈকাই,

মনিপুর।

খাদং ৱাহং

"শ্রীযুক্ত খুংদেম 'চিনথুংখম্বা' সিংহগী লাইরিক [illegible] [illegible] উইবা পাঙিরে। [illegible] মাইপোক 'চিনশোনচিংবা' [illegible] 'কম্রামক্রমগী মাংদনবা লাইরিক' [illegible] ইপোলক্লিবা অসি [illegible] [illegible] থবক্নি।

ঐখোয়গী ইনাংপু 'মাংদনবা থবাগী' খুত্তিনা হোৎনরিবা অসি খাদংনিংঙাইহনি। 'মর্থংদগী অখৈবনা লাইরিক' [illegible] পুথোকলক-পিগনি নিংই। শ্রীচন্দ্রশেখর সিং হনা 'মতম' পাংদনা লৈবা তৌবা থক্না ওইসম্মু। লোয়রনবা লাইরিক অসিনা প্রজা মীয়ামদা কাংবা শোয়দনা পীগনি নিংই।

'পুরীমযুম' য়াইখা সিংহ "পণ্ডিত অচৌবা"
"গবেষণা-ভূষণ" "কেলো" (MSKA)
তাং ২৭।৬।৮২ ইং

[illegible]

শ্রী [illegible] শ্রীযুক্ত [illegible] সিংহনা [illegible] অদুবি [illegible] লাইরিক অসি [illegible] [illegible] [illegible] অদুনা [illegible] অসি নাইগী থোকখবা শিজিন্নবিবা মরু ওইবা লাইরিক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংই।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

শ্রী বিদ্যাবিনোদ পূর্ণচন্দ্র সিংহ

পণ্ডিত "মাইচৌ" "গবেষণা ভূষণ"

"কাউন্সিলর" (ষ্টেট কলা একাডেমী)

১৭।[illegible]৮২ ইং

[illegible]

[illegible] ... (২য় [illegible]) ... [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

বৈনবদা থিজিন্নবা মীওইশিংগী [illegible] । [illegible]-

[illegible] [illegible]-

[illegible]

[illegible]

সভাপতি মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ

[illegible]

[illegible]

[illegible] নাইদনা [illegible] অমসুং [illegible] অসিগী [illegible] লাক্লিব [illegible] চপচানবা [illegible] অসিগী [illegible] কৌমিক [illegible] অমসুং [illegible] অসি [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] অসি [illegible] [illegible] অমনি।

[illegible] মিতৈলোন্দা মায়কৈ [illegible] চহি। অসি চংথরক্লিবা অসিগী মতুংদগী [illegible] পনিংজিত করাক্কি [illegible] লৌহনা "ইরাং লাইশোল" (অনিশুবা শরুক) অসি পুথোক- [illegible] অসিমক [illegible] চারবনি। মতাম অসিগী কোম্বা [illegible] মমিংতু [illegible] পুথোকপীরকপা অসিনা হিসাব তৌবিদা মাকক করাদা তশেংনমক কাম্বা অমা পীরগনি হায়বদা চিংনবা লৈতে।

এল.বম নীলকান্ত সিংহ
ডাইরেক্তর সোসিয়েল ৱেল
ফিয়ার আর্ট এণ্ড কলচর
১।১১।৮২ ইং

মাওফম তাকপা

অরানবা চুমথোকপা

লামাই	পরেং	অরানবা	অচুম্বা
১	১৩	[illegible]	[illegible]
২	১৪	[illegible]	[illegible]
৩	৫	মনাউ [illegible]	মনাউ য়োকপু
১০	৩	মহে	মহেক্
১০	১৬	থয়োক	থুংয়োক
২১	১০	নহুস্কি [illegible]	নহাসিং পুম্নমক
২৮		হেখিক [illegible] লোব	লমথনলোক
২৮	১৬	লেনক	লেনক
৩৩	২২	থোং[illegible]	থোংজোক
৪১	২	[illegible]	কারেন ১ মতম
৪৫	২	চিঙ[illegible]	চিঙথু
৪৮	৮	লমাই	লংমাই
৪৮	১১	মানবা	মানবা
৪৮	১৩	লোকনায়	লোকমায়
৪৮	১৫	ম্রায়দা	ম্রায়না
৪৯	২২	ইপাও মিহুলবা	ইপাক থক্তা মিহুলবা
৫২	৬	হে হবা	হে হে হবা
৫৪	১	লেলোই লমাই	লেলোই লংমাই
৫৪	৪	(মচিচিন্দ)	মচিংচিন্দা

লামাই	পরেং	অরান্নবা	অচুম্বা
৫৪	৭	মতানি লিসেমএ	মতানি লিসেম ভেঁনসেমএ
৫৫	১৩	সোলাই	সোঁলোঁই
৫৬	১৯	ময়ামুংগীবু	নয়ামুংগীবু
৬০	১৭	(লাকপী)	লোকপী
৬০	২০	ঈথাখোং	ঈথাংখোং
৬১	১৩	মু শেংতৈগী	মুংশেমতৈগী
৬২	২৩	লাটরেন	লোইংরেন
৬৪	৯	ম্লাকাতৈ	ম্লাকাইতৈ
৬৫	১	থ শেংতম	থিকসেং থাশেংতম
৬৫	১৫	লাইমতেন	লাইমতেম
৬৮	৩	থাসেতম	থাসেংতম
৬৭	৯	থৌবৈনিছুম্বা	থৌরৈনিংছুম্বা
৬৭	১৩	লিনগেইগী	লিনগোইর্গি
৬৭	২০	হেকোক	হেংকোক
৬৭	২২	থরৈ	থারৈ

১। য়েনখৌরোল

উংহৈ উংহৈ উংহৈ। কে য়োই মেনগা য়াই মেনগা, খৌরী খৌয়া লাংবু, খৌরী খৌদিল্লাংবু, খোরী খবা পোংখৌ তম্লি। খবা মাবু লানংদে। মুমিৎ পোংখৌ তম্লি। মুমিৎ মাবু লানংদে। য়াওবা কোনথাংসাগী পোঙখোং মথং শীজগে। কুমজা পাললো খৌরী, খৌরী খাজ পাল্লো খৌরী ভাম্লরে তেনবগে হা উং হা য়েং॥

উংহৈ উংহৈ উংহৈ, নম্নু হেবুংখৌনা খোইমোম খয়াঈ পুঙচিল মখোঙ লয়না হাং নোংগি। খুংসু খুংলাই, সংকাই, তেনবী, পাইজা, খেঙ্গু, সিঙজঙ, হাঙমৈ, ফিলতিন, নাক্লোয়, খাঙজৌ, তেঙাঙ, মর্মাতা, খুয়োল নোংগি। কয়সুম হুংজন নোংগি। হিরেন মতোং নোংগি খুমু নৌরোং পানপৈ হাঙনা বাকয়ৈ হিউ-তনোং। লাইজা ঈতা নোংগি। পাকোল খুরৌ নোংগি। শনথী খুনাল নোংগি। সঙবায় নায়োংতং। পোংপু লেংনম তেক্কা তাঙজা নোংগি। বায়রা শানা ঙম। সেল লানা ঙম্বা নোংগি। খোংলেন পানবৈ তেকনা মিপাই নোংগি। পুলাং লুরোম্ল কিক্কনা তাংজ ভাইখংনোংগি। নাউবা শমু নমদা পোখবু মালেম লয়দা নোংগিবু। খৌরি খবা পোংখৌ তম্লি। খবা মাবু লানংদে মুমিৎ পোংখৌ তম্লি। মুমিৎ মাবু লানংদে, য়াওবা কোনখাংসাগি পোংখৌ মখৌ শীজগে। কুমজা পাল্লও; খৌরী নোংজা পাললো খৌরী ভাম্লরে তেনবগে উং হৈ॥

য়োম্লময়ায় লাইরেন তাওদনবা তাউরোই সনা পুঙলেনগি। মগনলোন। নোংপোক তৌরিং লৈমচা মহৌ লৈরাই পানগা

নিংথৌ চন্থনা পলেৎ শীথাঙসিন্না নাউয়োকপা। মপন থৌবী লয়মা মুরাইরেম শাফবী, কোয়ও নোংবু থোনবী। মালেম লয়বু লুম্বী। সনা লিনকোঙ্গী মালেম লাংঙ্গথ অথৈবা। সনা খোমদোন অতোনবা। থবী সেঙ্গোইরেং অপালবা। বাংলেন চারঙ খোইবুঙ সেন নোংসাময়দি। হাওরৈ নোংপোক্লা পাংবরম থুম্বুং পোকলোন মথ। থাকি লোইমতোন। চোইনাউ সনা মপনসা। লুপা মহয় পানবা পুঙদা। নোংথৌ থাগি নহা শাফবা। নোংপোক তৌদিং তও তৌরাইরোং অহেনবনা। সনা হংজৈ থুত্তা মুনা। লুপা কংজৈ নামৈ য়েপনা। খোঙলেন নাতৈ কাঙ। চারা মথোঙ হাংলবগা। য়োয়ময়াই তাউদলবনা। নোংপোক মবাই তামদগিবু। সমকা হৌনা লেং লেং থেনকারকলে। থবা পোংথৌ তমলি। থবা মাবু লানংদে। মুমিৎ পোংথৌ তমলি। মুমিৎ মাবু লানংদে। য়াওবা কোনখাংসাগী পোংথৌ মথং শীজগে। কুমজা পাল্লো থৌগে। নোংজা পাল্লো থৌগে। ঙাল্লরে তেনরে হা উং।

ময়ুম সেনবী থাগী মীহিংচা। কপো মীহোঙচা। ফুরা তরা লাইওইনবা। সরিক লাইথম্নুংদা। তোংজেংবা পালহেন্না সোয়থক লুথাময়ী। ঙচিং সাল ঙজরি। লয়মুং পসোৎপু য়োংস্থবা মরম-থৈগি। ঈরিক লোনয়াম নোয়বু খোয়থঙলক্লে। উটৈকে ফান্দোং খোইনা চীঙখোঙ য়াকৈরক্লে। থাবী লুকোকচম্নু নোঙ্গারম। মপারী থাকারাজা পোনচেম্বা। অমরাজ থোকনিঙ স্থম্বনা। ইপল থাবী লুকোকচমুবু। য়াইনা কাবনো। কোয়ও মথৈ ফংগে ফংদবায়। বাংবা মথোয় নেৎকে নেৎতবায়। থাঙলেন মথুমহাং।

থৌহু মুঙমায়শিংনা। মোমহু চারক্তা তিলহানবদী। পাঙবরা পাংদেবায়। নোংবান অতে পায়নঙ্চা। মরেম্নী, য়াংমৈ তাউবা হুইনা থোইবা। মনা নারেন পাংমনা চৈর ফিরৈতববু ফিওইনবা। মনা নারেন পাংমনা তৌরাং ফক্রৈতববু ফকওননা য়াহিপ্পা। থাংথা মথুংথা পামেন মনট য়োকপ। কাংক্ষ নোনচারং থৌবান কৌরোঙসা। কুরাউ ফালগা তোংনা লামজবা মরমথৈ। নিংথৌ মপু থিবা মমোম শৌবোন যাইরেন চন্নু। শানৌ মচিল মনাউনা। কোঙয়াঙ থাঙতপ পায়। খুপাক তিলাই মেন। য়োংয়া থন তৌনা। তেংপাক লালুসা। হারু নোঙ্গ ফৌনা। থালৈ লৌতা-ভাম্বদা। নিংথৌ থাগী নহা সাফবনা। লাঙ্গোই অপাইবা তোংনা। সনা কোরী চৌলপুল থুংম্নবা। লুপা হংজৈ নামৈ য়েপ। সনা হংজৈ লেংথোংনবনা পাউহংখিয়ে। শৌবোন য়াইরেন নিংথৌ চন্নু। শানৌ নচিল ননাউনা। লাংলেন কোঙয়াঙ বারুকোল। তেংকোক হৈরোয় নাইবু। খুপাক তিলাই মেন য়োংলৈ নোং-থাঙকুপ থৌরৈ তোনকালং। হারু নোঙ্গ ফৌনা। থালৈ লও-তাবদি। কোরও মুমিং মঙানিগী। তেংপাক মসিঙ কয়া শুরবনো। হায়না পাউহংববু। কোরও মুমিং মঙানিগী তেংপাক মপুম থিঙমদবগী। তাঙজ মরু লুক্রা শেনথোইখিয়ে। থালৈ থুনা লওকা য়াঙখিরে। মপন নিংথৌ মপুথিবনা পাউহংভাময়ে। ইমোম পেম্মও। শানৌ নচিন ননাউদি, কদৌবা থালৈ লওকা য়াঙলক-পনো। হায়না পাউহংববু। হোয়দা ইপল পম্থৌও। নিংথৌ থাগী নহা সাফবনা। কোরও মুমিং মঙানিগী তেংপাক মসিঙ কয়া শুবনো। পাউহংয়ে। অতুগীবু থালৈ লওকা য়াঙলকপনে।

হায়না পাউখুম্লবদা। ইমোম পেন্মও! নপল নিংথৌ মপুখিবা নোংময়বা হায়বগী পাউহংবা নারিরৈনে। ইবোম কয়িগী তাঙজ ইকায়রুবনো। নপল ঐগী ইলুম শোক্তোংডাবু নৈবনে। হুয়েং কৌবা চিঙলেন নোঙ সোয়রকলবগা। ইলুম নাউসংচা অমা থাগা থা। ইলুম নাউসংচা অমা থকা থোংনা। খালৈ য়ুপুঙথক্তা নোং-হামলে। থাগী নিংথৌ নহা সাকবনা। চার মথোঙ হাংনা লাঙ্গোই থুরুক মানপল হওয়রুবদা থালৈ য়ুপুঙ থক্তা। শৌবোন য়াইরেন চানা নিংথৌচানা। পাউহংডাময়ে। নিংথৌ থাগী নহা সাকবও। কোরও মুমিৎ মডানিগী লাঙ্গোই নথুনেৎকি তাঙজ মথোঙখুনবু কয়া সুবনো হায়না পাউহংববু। কোরও মুমিৎ মডানিগী লাঙ্গোই মথোঙখুনবু থিজডমদবগী। নিংথৌ থাগী নহা সাকবদি তাঙজ মরু লুকনা হুইয়াই সেঙ্গোইথিয়ে। নিংথৌ মপু খিববু শিকবরা শিদথিয়ে। তুরেন বাইখুপিচাকুম থুৎনিক অনি লোঙথিরে। চেকপ অনি সুবা। থুৎলাই অনি লোডবা লয়কু কাওমসা। নৈরাই ডাংথ য়াম্ববু থিংলৌ নিঙনা তেখিরে হায়দববা। শৌবোন য়াইরেন নিংথৌ চনু। থালৈ লওতা বায়বু য়োইময়ায় সনা খোম্মদোয়া হিং হিং খেনগারক্নে। থবা পোংথৌ তমলি থবা মাবু লানংদে। মুমিৎ পোংথৌ তমলি। মুমিৎ মাবু লানংদে। য়াওবা কোনথাংসাগী পোংথোঙ মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো থোগে। নোংজা পাল্লো থোগে। ভাল্লবে তেরগে হা উং হা য়েং॥

সেনবী মথলমা, কবো মতাইমা, সেনবী পোং নিংথৌ ঘুমকম মম, কবো মবা ওৈে। সেনবী থাগী ওকফুরা লাই য়ুমলেন। মযুম মিকৌমাউ। তাপু কেঙ কৌয়ে। কোরও নোংমলোনবী।

কেঙ মে তাপু ফালনা থুল কুম্নকএ। কেংমেত্তা কালপুঙও ভৌনা কৌয়ে। কেঙমে নিংথৌগা, ভেংথমগা, কপো নিংথৌ চাউওক থমগা। কেঙ সেল চঙনা। লাংপাই চঙনবা পুঙ। হুঙ, সঃ উদি মালেম লম্নকোয় কম্বা মথং ক্রা নিংথৌনা পুরিঙবাক। লাসাম থম মাল ঙাথিবা মথুয়োল। ঔবা তোংদোয় পুঙ পুথম লম্নময়ায়, ঙায়া মপান সং। কোংদা মমৈকাই। য়েংবা মমুমফম। ঐরাপতি কাম্না চোং। মেঙ গেঙ মপুঙ য়াঈদা। কোঙমতা লৈফমলেন। মুকিরু মরমথৈ। মেত্তু থোঙলেন ময়ায়রম্ব্ তা-উদনবনা। পুম্না নোংশাররক্লে। থবা পোংথৌ তম্নি। থবা মাবু লানংদে। সুমিং পোংথৌ তম্নি। সুমিং মাবু লানংদে। য়াওবা কোনথাংসাগী পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাম্লো থৌগে। নোংজা পাম্লো থৌগে। ঙাম্লয়ে, তেরগে হা উং হায়েং॥

কপো মদাইমদি। হৈয়াঙ পানা পালিবায়। হয়রাঙ নানৌবা। ভাউজিঙ লোঙজুম্বা। হয়রাঙ হয়থোঙ পাংমনা। নিংথৌ থম্নাংবা থম্বা চীলনেল হৈ। হয়রাঙ থোঙ পাংমনা কেগে মোইরাং নিংথৌ চৌঙথু ত্তেলহৈবা মহয় থঙ। সিঙজঙ হাইবী মরাই য়োংনা হয়-কলবা মরমথৈ। নোংবান শায়াম্বনা লাঙ্গোই শাদিকলম। চকপা অঙ্গয়ী। য়িংথি ইয়াচাউ। চোইনৌ সনা পুঙ ঈবু। য়োই-ময়াইনা। লেংলেঙ থেনগায়কলে। থবা পোংথৌ তম্নি। থবা মাবু লানংদে। সুমিং পোংথৌ তম্নি। সুমিং মাবু লানংদে। য়াওবা কোনথাংসাগী পোংথোঙ মথং পীজগে। কুমজা পাম্লো থৌগে, নোংজা পাম্লো থৌগে ঙাম্লয়ে তেরগে, হা উং।

লাই বাবনা পালিবায়। লাইবা খোঙদাঙবা। কোঙয়াও কিংনাইবা লিকলি কমশাবা। চমং লাইশাবা। মচেঙ পাউনাইবা। য়াবা লোন থঙবা, তেমুরা লোনথোকপা। মোমমু শঙগ্রী লও-ঙাকপীনা। ওনখিবা চেক, চেক্লা মুংওনবনা। ইমোম কোম্নু নঙদি। য়াহওরো। লমপু লাকয়ে। তোরা লাকএ। চকপ্রম্নু নাউদা য়াম্বা। হিতা লোনখোঙ তুমবা মচী খুবা। তোংয়াই হনবা। মকুয়েকপু কামুবা। মসিঙ সিংপু ময়রোঙবা। মথুতেং নানৈববু লাকয়ে। অকল নঙদি খোঙহাংও। নিংসোং নঙদি ময়কামও। কোন্দে নঙদি বানখোংও। আম নঙদি পাউচেলও। বাঙ্গোন লোইবু লোইগায়গে। বাঙ্গোল পুক কয়রোয়। ফিরাক তোমশারোই। তমুং লংবানলোই। চাপাক লোঙজুম লোইবু লোই হায়গে লাকয়ে। হায়না শেনবী য়িমচিল চাকো নারেং তোংনা চেক্ল' মৈনা ওৎনা। চৌঙখোঙ য়াকৈবাইবু। তাউদলবনা লেংলেঙ খেনপারক্লে। থবা পোংখো তম্লি। থবা মাবু লানংদে। মুমিৎ পোংখো তম্লি। মুমিৎ মাবু লান দে। য়াওবা কোন-খাংসাগী পোংখোং মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো খৌগে। নোংজা পাল্লো খৌগে। ঙাল্লরে তেরগে। হাউং॥

সেনবী মতাইমা কপো মথলমদা। নোংবান অকোঙ শা ওইবনা তল্লা হোয় য়ালবা। পামেন হোয়থেম্নবু। উনৌ খোংসা শুমনা। ঔরী লিয়ায় নোপ্পদা। পোইরৈ শৈসক্লা, বাংঙম তেং-খানঙাম্নবু। তমফা বাংঙমলোননা। চখা খোংজোম্বী। সেকমু অরোঙ কাবিনা। পোইরৈ অসৈনা। বাংঙম তেংখানঙাম্বা অসিবু কনানো হায়না পাউহংববু। লাহান্নোং অসাংবম খুনখিনা।

অরাঙ্গম য়ুম মুন্নঙৈদা। সেনবী মসাইকোল। কপো ময়ুম্বাক্রা। থাংথবনে হায়রবদা। তমক্না বাংঙময়োবনা। চখা খোংজোম্বীনা। নাংবান অকোঙ শংঙচবও। পোইশ্র ইপল নমদা থিংলও নিঙন তেনা হলবাইথিও। হায়না পাউমেনবু। তমক্না বাংঙময়োনও। ইপারী শাংলবসুং। উকাকথোং তুপলে। ইমোম কুইরবসু' মঙ্গং মানসুং নৈনবে। সেনবী লোনসুং লোনমরকপু লেল্লে। পোইরৈ লোনসুং লোনমরকপু লোল্লে। পোইরৈ ওন্দে ঙম্ররোই হায়না মাই বাকলবা মরমথৈবু। নাতৈননা। মাকলং থম্না পোকপূ কান্না চোংনা। য়োঈময়ায়না। হিংহিঙ খেনক'র'ক্ল। থবা পোংথৌ তম্লি। মুমিৎ মাবু লানংদে। য়'বা কোনথাংসাগী। পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো থৌগে। নোংজা পাল্লো থৌগে। ঙাল্লবে তেরগে। হাউং॥

লম্লেন সেনবী মথলমা। থাবী লেংনাউ মোম্বী তলা উয়োক কোল। ম'স' পাংলেন কোন থেংয়া চাঙৌরোক। তেকপী ওকপাকথেন থাচম ভাংনৈল চীঙবু কোম্নচোংনা য়োয়মাবনা থোইনা হুনখংলক্লে। থবা পোংথৌ তম্লি॥

খা খারা লয়পুঙমান। বাইরি চিঙ চীনমান। সেনবী লাইরুবেন। থোইমোম লাইময় চীঙবু কান্না চোংনা। নোং-বান চকপথেন। ঙাইরৌ ঈঃ। ক্যাং নমথৌ চীঙবু কৈনা শম্না। য়োইময়ায়দি থিংথিঙ খেনগারক্লে। থবা পোংথৌ তম্লি॥

লম্লেন মতাইমা মকল কলপোংচীঙ। ময়াম্বা করোংথেল। শঙাই লমদাংশৈবু। মুংবী লম্লাই ঙানখংলক্লে। তেংনৈ লো-সিকোং লোনয়ামপাং। বাইবং নৈহাউপোক। তেংনৈ মনম্বী।

সেংলেন ককময়াঈ। লেংখু লম্মপাক। লেংলেঙ লম্মচুম। বায় বং উচিময়। থৌবাল কাওখঙ ভাউ অচৌববু কায়চোং। হয়রেম লংবুমলম। খুজান লয়পাৎপান। কাওরেন শনখিথে খুলখিলয়াংমুং। বায়রং হিতুম কোন। ফেন পোইলও, পোইরে লমঙুংসি। সেলোয় তকুপ চৌঙ। লংমাই তরংচৌঙ। তেংনাং য়োংপী হুইথাচৌঙ। লিরেন পাকল চৌঙ। মঙন তরং বাংব চৌঙ। কুকি কুরমলেন। লাইগি লাইরমলেন্দগী। শা ঙাইববু য়েত্তা কালথৎলকও। শামু ঙাইববু ওয়দা কানথৎ লক্লে। থাঙয়িঙন নরিক চুমথৎলকও। লোইমোমকুম নত্তো হালথৎলকও। চক্রিবা খুংথো.বা। খুং থোংখৎলকও। হাওখা রাবা ঙাইকুম ঙাইখৎলকও। য়োয় মায়ায়দি হিংহি খেনগারক্লে। থবা পোংথৌ তল্লি। থবা মাবু লানংদে। মুমি পোংথৌ তল্লি। মুমিং মাবু লানংদে। য়াওবা কোনখাংসাং পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো থৌগে নোংজা পাল্লে থৌগে। ঙাল্লরে তেরগে হা উং হা য়েং॥

উং হৈ উং হৈ উং হৈ। কে য়োই মেনকা য়াইগা থৌরাং থবা পোংথৌ তল্লি। থবা মাবু লানংদে। মুমিং পোংথৌ তল্লি মুমিং মাবু লানংদে। য়াওবা কোনথাংসাগী পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো থৌগে। নোংজা পাল্লো থৌগে। ঙাম্র তেনরগে হাউং হায়েং॥

লৈমু রাবগা, লয়হৌরাবগা, লয়হৌরাবনা খাগাথা। লৈমু রাবনা থক্কাখোন। তোংনবা তোংহুমলকও। লমতুম্বীগা লম লাং সাংবীগা তিন্নবা তোংহুমলকও। রোরুরাবগা চাংকোংলাবগা

রৌরুরাবগা খাগথা। চাংকোংলাবনা থকা খোম্না তোংনবা তোংহুমলকও। মুমিং লাবগা লাইরেন লাবগা। মুম্রিংলাবনা থকা খোম্না। লাইরেন লাবনা মথেক ফেবু সানা তলনা তোং-হুমলকও। থবা পোংথৌ তম্লি। মুমিং মাবু লাংনদে য়াওয়া কোংথাংসাগী পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো খোগে নোংজা পাল্লো খোগে ঙাংনরে তেরগে হাউং॥

লাইরেন থবায় নমিরেন। মিরেন থৌয়াঙববু। হুয়রেম-লক্লিবু মিকৌরকএ। হুয়রেম নোংদমলক্লি. থম্মোয় য়াংম্মোই-রক্লি। লয়চিক চিকলিবা লয়লম থম্লিবারক্লি। লয়পী তেম-চিন মুংকিবিবু মিরেন থৌয়াঙববু। চরৈ নাহোংসা। পাইগু লেংহাম্না। লাংলেন কোঙয়াঙ বাচৈস্তু অসংববু পালোয়না। রাকয়ৈ থমথেংদা। থমনৌ চুপথৈদা। নেম্বী পেংয়ৈদা। হুমকু লয়া খেঙনা। হাওরৈ লৈনা পাংনা থানিং মিকৌরকয়ে। শরেন য়েংনা লাম। খুপী কৌরোঙস্তু। খুজেং হংচিলাক। খুয়া য়েংকোয় খুম্না। মিরেন থৌয়াঙববু তিল্লরেমলে। থবা পোংথৌ তম্লি। মুমিং মাবু লানংদে য়াওবা কোনথাংসাগী। পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাল্লো খোগে। নোংজা পাল্লো খোগে ঙাল্লরে তেরগে হা উং হা য়েং॥

লাংলেন কোংয়াঙ বাপুনসি। বারোন য়াম্বগুমববু। থওরী কোঙয়াঙ বাপুনসি। বারোন য়াম্বদি। ফেগে খোই-য়াঙবনা বা থাএ। মোইরাং য়াংখোং চাম্বনা বারিংরে। উরা লোকমুংস্নুনা বাকনএ। লাইজিঙ তোনস্নুনা কম্রেন বাচাউবানে। ফেগে লাইমু পুনসিবা কোঙয়াঙ শোইনি বানে। রিতু শেম্বা

মপান সাংনা বানে। মসেম তোং তোইপুং কক্সা সমচিন্নম ভাইথেংতা পনবা বা। কোংয়াং বানিংথৌ। কেগে মিস্নুনাদা কজেং থাংহক চন্দবা মযে সন্না তেংথাবা। মতোন কওজেং চংদবা কোংয়াং বা। সেংকমতা তাবা লোকলও চরোয় মৈ কেন্দবা কোংয়াং কংলং থাংদবা। লাংলেন খোইমিং খিত্তবা। মতোন সনা লৈজেং হাই। মমায হাওয়ৈ লাইনা পাংনা পানবা বা। কোংয়াং বাপুন্সি বাবোন যাম্বকুম্ববু। থওরী থবা পোং-থৌ তম্নি॥

কোংয়াং বাপুন্সি বায়োন যামদি। কেগে চীংমৈবা কানরম। মোইরাং লাইমৈবা তান্নরম। খুন্দিনবী লয়নামুংদা পানবা বা। কেগে পরোং বা। মোইরাং পরাংবা। কাওয়েন শন্না থেংফদা তেকপী ওক্লা ভাফদবা। তাউবা হুয়না কাফদবা। কাওয়েন সন ওকপাবা। তেবপী ওক্লাই তাবা। য়াংলৈ তাউবা হুইরাই চংবা। কেংয়াং বাপুন্মা। য়াল্লগা খোংকাপ নাউরৈমা থাংভমদবা। নমু পোংলাই ওকপা বা। লোইতাম থাজ পাখংবগী কোয়াঙ বাপুনসিবু। লোইদাম পুংয়োন থানা। কবও নোংলাংপানগী ফেম্ববা। কাপ আইনা মচিঙলেন। হেম্বা থেনবুঙথক্কো। সতু লমলাইঙান্না ফেম্বরকপা বানে। য়োয়পু খোইমোম লাইরেম্মা। অথিন লোঙচুম লয়মা। লাংলেন কোঙয়াং মপাচা। ওইনা মরৈ মপী, হাওমু কসাম্মু। কোঙ-যাং মাংচম্বু। কেগে খোরী নামোইয়াঙনা। লোইমোম কৌ-রুকমকা পাখং সংকাই য়াইনম মথুংস্ত কানা। খালনৌবা বাবু। কেগে নামোইয়াঙ মথোঙজিন্দা। কোঙয়াং ফৈনা ভাববু।

য়াংলৈ তাউবা মহুইচানা। চৈস্থ কৈনা কানখিববু য়াংলৈ খোঙকাপ থাংঙমদনা নোংমল্লে। খোবী নামোই য়াঙনা কোঙ-য়াঙ মচৈস্থ। লোইমোম ফোকমন। অকংববু শুমায় মথৌ-পোমদা। ফেনখোক্লববু। লোকলও সোইরেন হুন। লাংলেন বাপান ফারে। কাওরেন সম্না থেংলবস্থং ওক্লাই তাখিএ। তেকপী ওক্লা থেংলবস্থং ওক্লাই তাখিএ। কেগে থাঙঙা মরৈ-কোক। লৈকাই মপান সংনা। বাপু লায়াম্না হায়নখিয়ে। অহু নোংগিবু কেগে, গরোঙবা। মোইরাং পরোঙ বাও তৌনা কৌএ। খোরী নামোই য়াঙনা। কোঙয়াঙ মপাল ফুক্লা পঙনা ফন্তোকখিববু। লোকলৌ থুমন হুননা কেগে চীঙমস্বা কানয়ম মোইরাং লাইমৈবা তান্নরম। থুন্দিনবী লয়নমুদা। লো-কলেও সোইরেন হুন। কোঙয়াঙ নোংবু লুম্না পানবা বা। ময়েংসম্না থেংদা। মতোন কৌজেঙ চঙদা। ককতাংমু তাংদা। লোকলও চরোই মৈকেন্দবা। কোঙয়াঙ বা। সেংকম তাদবা। বাস। খনফৈ মতেক্তা। কোঙয়াঙ কংলং থাংদা। লাংলেন মোইমিং থিত্তবা। কেগে মীস্থ নাদা। কচেং থাঙহক চন্দনা। মমায় নোংনেম লাইনা পাংনা ময়েঙ সনচায় চিঙংনা। মতোন সনা লৈ হান্না পানবা বা। কোঙয়াঙ বাপুনসি। বারোন য়াম্বকুম্ববু। থওরী খবা পোংথৌ ভল্লি॥

কোঙয়াঙ বাপুনসি বারোন য়ামদি। লমলেন লিনতু লওকোংপাং। কোংবা মচৈথেন্দা পানবা বা। খোইমোম মথুখা। চীঙঙ্ মনাউরেক। অঙোবা পুরৈরোম্বা কোঙয়াঙ মবাচা। হেমজেং য়াকাশঙ। অল্লো পোংবৈশঙ। মরোয় কে

নোংসা লাম্থোয়াত্তবু। লৈমু সেকথাক শঙ। লয়হাউ সেংওই সঙগী। বাংলয় য়ু পান থাকমদা লোকলও মথম্না শোঙ্গয়েন হুনবা। কোঙয়াঙ মথম্না বায়েপ কাবা। মৈদিঙঙু পুনসিবা চৈকল থেকপা মুয়ান কাবা। খোয়েন মঙনা কাবা বা। অম্বাং কোয়ও নোংলম্বু। লুবাং লংম্ ইহনা। মচেঙ কাইরৈ য়েনঙৌ থানা পুনসি লৈনিবা। লাইজা ঈপাকথক্তা বাংলয় য়ুপানকমদা ওঙবা বা। তেকপী থুরৈনা থেংদবা পোইবৈ। মীস্থু নাদবা কাওয়েন সনকুরৈনা ঙাদবা। কচে, থাঙহক চন্দবা। মযেঙ সনচরি লিওংনা। ককতাং মতাংদা কোঙযাঙ বা। সেংকম তাতা লোকলও চয়োযমৈ কেন্দবা মতোন কওজেঙ চঙদবা। লাংলেন মোইমিং থিত্তবা। মতোন সনা লয়চেঙ হাইনা। ময়াম হাওয়ে লাইদা পাংনা। পানবা বানে। কোঙয়াঙ বা- পুন্সি বায়োন য়াম্বকূম্বু থোয়ী থব। পোংথৌ তম্নি। থবা মাবু লানংদে। হুমিং পোংথৌ তমি। হুমিং মাবু লানংদে। য়াবা কোনথাংসাগী পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাম্নো থোগে। নোংজা পাম্লো থোগে। ঙালয়ে তেনবগে হা উং হা য়েং ॥

নম্থু হেপ্পুথোনা তিঙয়ি য়াঙযি নোংগি। সলথি থু- নালনা। পাকোল থুয়োনা তোয়ং তাসি নোগীবু। থওরী থবা পোংথৌ তম্লি। থবা মাবু লানংদে হুমিং পোংথৌ তম্লি। হুমিং মাবু লানংদে। য়াওবা কোনসা,সাগী পোংথোং মথং পীজগে। কুমজা পাম্লো থোগে। নোংজা পাম্লো থোগে। ঙায়য়ে তেনয়ে তেবগে হা উং হা য়েং ॥

২। নোংপোক গুরুগি খেন্নোন

গুরু, অঙোবা লৈমাই নিংথৌ কাইনও চৌঙসোম্বা। তাং-থুন মোনথয় ঙম্বা। সেল্লোয় চৌঙ। লৈমাই লংবা চৌঙ। মচান(মণ্ডল) তরঙ বাংবা চৌঙ। য়ুচেংনা নিক্কবরা নিক্কবা চৌঙ। যুহানা হাগবরা হাদবা চৌঙ। তেৎনৌ য়োৎপী হুইরেন চৌঙ উতং কাপতু হুঈগা থানা থোথাম চৌঙ। ঈরোক লাইচম তরেৎ চৌঙসাং নাপোম মাপলমবু সুমজিনবা। তোমাল থাগোয় সেৎপা বাক্তং নাসিনবা। সনা লুকৈ থেৎপা। হুইরোং লুফা চিনবা কুরাউ ফালং থা'বা। য়াইরী থাংথোম্নবা লয়চিন খোঙগাওনবা থমকোন থুদানবা। সেলোয় মম্না সেমঈ। মম্বীরোক। লৈমাই লয়না শাই লযসারোক নো'থলচৌঙ। মতোম য়াও-বানা পুবা চৌঙ। কোলথাঙনা তাউবাচৌঙ। লোক্তু খোমহুনা। লোকলেম লাইরেম্না স্যাম্বা থাঙথোংনা তাউবা চৌঙ। য়াউবা চানা সুঙ কোকচৌঙ। অখোম লয়রুম ফুইবা চৌঙ। ঙানথ লযরুম তাউবা চৌঙ। যাওবা থাইপুং চৌঙ। কাচিক কাপাক চৌঙ। উল্লি বাউরী চৌঙ। সেলোয় চুও চুবা চৌঙ। লৈ-মাই সাও: সাবাচৌঙ। মাহু ওঙবা চৌঙ। মমৌ ঙঙবা চৌঙ। সেলোয় চৌঙয়া চাউ। চথা নোংসিংবীনা নোংসিং চৌঙ। থরা ঈথেম্বীনা ঈথেমখোং। মমা তমপাক লয়হৌ হুজা। লৈমাই পাইপং লৌথীবা সিঙজঙ মথুংস্থনা থৌহু হুংথায়চৌঙ সেল্লোয় পোইরংথেন। লৈমাই কাপুংচৌং। সেল্লাই তাকুপ

চীঙ। লৈমাই তর চীং। সেল্লোই সনা হয়য়াই চীঙবু। তানা থনবা। তরেং নমথঙ চীঙ। মাকুং থমলাংলোক। নিংথি ঈযাচাটবু। [illegible] নংনবা [illegible]। [illegible] নো মগী কুমিদা মালেম [illegible] মরি। মায়কৈ নিংথাম [illegible] তরাকরক। [illegible] তরেংলৈক হননা কাযববু। তবা লুইরা সোন্দর। [illegible] খো জোম্বা লৈমাই নি লো কাইনম চীং [illegible] খোবেন্ন লাযযিংথো নোং পোক লমলুইবা এ॥

(আস অক [illegible] ইচক লৈকং [illegible])

৩। পাল্লোইবীগী শেলোন

[illegible] ব চঙনলোন [illegible]।
[illegible] চাঙযেকচন্নু [illegible] নোংত লোবী।
খুয়োন থৈকংলৈবী কেরণ নোংমাইহনবী।
মালেম লয়নাই হনবী
নপন তাংকা মজু মীথাদনী।
ব চনলোন পাল্লোইবী। মুর [illegible] লমজুংশি।
কো চ [illegible] লম্মহন। মুব লোকহেন কোন।
ঙাচেং নম্বীলোক। চঙান চঙুম লোং।
বাংবৈ হাংনেঙ চীঙ। তংবা মুকাম থন।

খোংহম লাইজিঙ সোই। পাৱেন উযুঙ থাদা বাতেঙ্গী।
চাংশৈর থান, শাংবরমদা। মালেম চংপাক লৈমা বাংপরমদা
বাঙলবী লেৱে সারে লান। লাকচম ফিকৌ লান।
নাউবো লাইহমোললান। হাংবা সিফেন লা চৌঙ।
মকোঙ্ক নো লান চৌঙ। উপী উৱেন পোক্তা বাংঙলবী।
খাংহ্যাং সম্ব বা কলা ভায়কাকোন উরিপোক খোংসাযান।
খোংইযন লম ইপুনসি। লানস্থ চৌঙন মুদা।
লমন নংগোম বা ঙলবী। হ জনফা বাংঙমলোন পাস্থোইবী।
(অসি শক শোনড়ুনা ঠৈকং ঠৈকং তোগনি।)

৪। গুরু নোংশাবগী থেলোন

হে গুরু। তাইবঙ কোরও নোংশাবা।
টাংজন উকাং নিংথো। টৈকাং লাঙ্গফাবা।
মরাম মতোন ফম্ফম্বা লাইশান থো।
নশ নো ইবেম্মা উরেন উথা লাঙ্গফাবী।
থোংনাং লাইজা খোঙ্গী।
মরম মতোন ফমফম্বী হে গুরু।।
(অসি শক শোন্দুনা ঠৈকং লৈকং তোগনি।)

৫। থাঙচীঙগী খেলোন

হে গুরু কেগে কসারেন মোইরাং লাংবুম অরিবা।
কেগে পাংজিং, কোয়রেন লাই।
মোইরাং খুন্দা অহানবা। নশানৌ ইরেম্মা
কোয়রেল লৈমগা। নপারি ইবুঙো
ভমপাক লাইনিংথৌগা। কেগে খুন্দা হানবা
মোইরাং য়ুমলেপ লিংলকপা!
ইমু ইঙৌ পানফবা। লোক্তাক ইশা
মাপল ফাংবনা। চেংলৌ শকয়েং ওইনরিবা লাইনিংথৌও।
(অসি হায়না লৈশি লৈথোন্দুনা হৈ লৈ কৎকনি।)

৫। থাঙচীঙগী খেলোন

হে গুরু। ফেলজী নোংজুম লম মালং নপেংডৌল, খমগোল ময়াকচীলবু তাননা খললবা। কেগে শনথোঙ মোরিব। খুয়োন ফকতোম ফম্বা। থাঙ্গ তোলবল নিংথৌ। কেগে। লয়শা-বুও, মোইরাং কশারেল নামুংবা। য়াইবী পালশোই তানবা। তাখেল লাকচীঙ ফম্বা। ময়াং সনাং তোংবা। পাঙল ভম-পাক কোয়বা চীঙলেন নাপোম অতোংবদা ফমফম্বা। খারম মোনথৈ ওম্বা। হুয়েন চীঙ কবাক ফাবা লাইয়িংথৌও॥
(লাইশোল অসি শক শোল্লগা হৈকং লৈকং তোগনি।)

---

৬ । কৌব্রুগী খেলোন

কৌবা লাইমচা। কৌম্ন লাইমচা।
ককযাই ফমথিবা সংলও নাকাম্বা
তেকপী খাপুক তাংলৈচৌঙ।
মনাই তাবা ঈয়া পলমক।
সেকবাগাং ঈয়া পলমববু
তান্ন থলবা খোয়য়ন কৌবরেন অহলবা।
কৌবা ঈমক, চিঙপল মকুলা বাতেম্বা।
অকোষ্ঠ থা স্নুরাকপম নিংডোনবা।
কৌবা কা লোই ডম্বী।
তুয়েন লাকা ফাবী। লমোযন্তাই।
মমা অখোঙগায নম্বুম্ন।
এলবা বাকল কোম্না মষ্টীসিন।
খম্লাং নাডরেম পাখন।
লাঙ্গাই মোইসায়া অপালবা খোক্রম।
খোংনাং শাবমপাক। ময়াং তাংবা খেল।
চোল খুব্রাক মতা।
নাগা খমথেং তুথিবা মপুয়োনবু
তাম্না খনবা লাইযিংখৌ।
চৌঙলেন নাপোম অমদা চাকলিক মপালথাবা।
চৌঙলেন নাপোম অমদা নোংথৈ মউ লিংবা।
চৌঙলেন নাপোম অমদা লিক্লাং উচাউ পোকপা

লিখিংকোল মথাবা। লিরেন কোন মতয়বা।
চৌভগেন থোল ভরেৎ থোল্লাংমৈদা
মতোম বাভলবা লাযিংংপৌশু।।
(অসি হায়না লৈশি লৈসোংন্দনা হৈকং লৈকংকনি।)

৭। কৌব্রুগী তেংখা

হে শুক অবাং কৌবং অম্রপ্লা।
লাইযাম খুন্দ চংনবা। চারিক
মপালপাবা। নোংথৈ মউ লিংবা।

লিলিং কোনবু কোনখাবা। লিরেন কোনবু কোনদৈবা।
চৌভালেন নাপোম অমদি খাবা উল্লেন চৌভনে। কৌবা না-
পোম অমদি করণ ভত্তুনা চুবা চৌভনে। চৌভালেন নাপোম
অমাদ চুবী অভলবা হাকোকফম্লে। ল হরেন অরেম্বা হাথকমনে।
চৌভলেন নাপোম অমাদ, পালবা য়েকলাবা হাকোকযম্লে।
কৌবা নাপোম অমাদ, কাইবী য়েকশম সেরাইতাভ পোক্রুফমনে।
চৌভালেন নাপোম অমদি হয়রাভ থুংসাবা ভাউজিভ ওনথোক-
পা ন লিবায়নে। চৌভলেন নাপোম অমদি লিরেন য়াইথলোং
পাফল চৌভনে। কৌবা নাপোম অমাদ, তলা অভনবা পামেন
চাউথোইবা চৌভনে। চৌভলেন নাপোম অমদি চকমোম খাম্বি

মৈয়'ইবিকপু থোক্লফমনে। চীঙলেন নাপোম অমদি অয়াঙবা থোক্লচীঙনে। কৌবা নাপোম অমদি পোনবী, চেক্লা শাৎনফমনে। চীঙলেন নাপোম অমদি লাইজ ঈফুৎ থোক্লকমনে। কৌবা নাপোম অমদি থুপি থুপাই ... য়োংসেন থোক্লফমনে। চীঙলেন নাপোম অমদি থোকবা, ... ক্লফমে। কৌবা ... দাই অমদি কোরও অচিক অসা থাঙন চীঙনে (থায়না চীঙনে) চীঙলেন নাপোম অমদি য়াঙ্গোই শামু পোক্লফমনে। কৌবা লোক্লেন অমদি থাবা উ... থোক্লফমনে। চীঙলেন থোল তরেৎ থোল্লোংমৈদা নতোম বাংঙলবা লাইনিংথৌও। ইবুংঙো ইবেম্মঃ ।।

(অসি হায়না শক শোন্দুনা হৈ লৈ কৎকনি।)

৮। বাংব্রেনগী থেলোন অমসুং তেংথা

হে গুরু। চিচঙ্ বাংব্রেন থানা চাঙবা।
লাইজ ঈময় থৈবা। ইমু হংজৈ সুবা। ঈঙো হংথোঙ লোনবা। মমা বাংনু লয়মা থোংজোম ফাবী চানা পোকপা। লাইজ হুংথেল চামিলঙদা ফম ফম্মা। লেমলৈ ঙাথোঙ থিংবা। নমু পা থোঙলোনবা। থবায় অপকমা পুম্মকপু। থরৈ কুনহল্লোই লেমলৈ তাহললোই হায়বগী লাইজ ঈথোঙ শিন্ন। থৌথাম্মা। মরুম্মী অনাল থুনথকচনু। মরহুবুঙ থুলেনচনু। লোইবী থাকুম চনু।

মারেম থাযাই চন্থ। হৈথা লমকাংচন্থ। মহৌ ভোন-
সেন চন্থ। থুবুঙ খুলেন চন্থ। তরাউ তরৎন্থ। খোইমোম
লাইরেম্মা তালোয় তুশা মাপলমবু লুম্নবা। চিঙডু পিশুম কলবা।
খোইয়ম খো হৈ চাউবা। লেমলৈ ঙারৌ ঙাখোয়াঙ।
সরেং শমসাংবিচা। ঙারেন কোকপাকসিচানা যাকানবা
লাইযিংথৌ লযম্নং চোপকা ঙা। লেমলয় ঙা মুকলাংনা হৈম
থংম্নরিবা লাইনি গৌ। হেমচে চকপা ঈঃ। মারেম চ প ঈঃ।
পোংচাই ঈ নামুংববু পম্না থম্নবা লায়যিংথৌও॥
(অসি হায়না শক শোন্দ্না হৈ লৈ কংকনি।)

৯। ককচিংগী খম্নাংবগী থেগ্রোন

গুরু লাইযিংথৌ খম্নাংনা, যোৎপোকপা। .য পু চকো
সাযবগুম সাযনা তুংবু থুম তুষ্টগুম তুষ্টা। নকপা
খোইমোম লাইরেম্মা সিজ কংলিকা গুলহৈমা। খুলাহ কালিনা
অ.থংইবা। রাজ নারায়নী পোইখোইবী। ব হরা শামাং
লেম্নী। লুযেল লানমাঙ শাবী ংজিন হৈমরী সংইকপী। খে
রেন নোংথাং কুপগুম্নী। চিঙডু অনিমবু নকুম কুম্নী কুমগাউদা
নথা থাবী শাকাউদনা। নদাইয়েম নখুল গুলপুকলেন অচৌ
বনা নকুম কুমহৌরে, নথ থা হৌরে। চরৈ নিংথিবা লন
হোলে। সিক্রং অনোবা কোনগারে। সনা কমবাল্লাং

পাক্তু হেন সলাই ঙাম্না কনফমলে। হয়াও সকসেমতম খেলা, নখোই তোংলে হাযবগী। ননাই নচা নস্নুসিং ঈমা ইন্দোল ঙাইবীসিংনা। মৈদিংঙু লয়চোল কয়খেল কাহ্নুনা। মচেম লয়মা তিকহৈদবী তিকস্নুঙ। মনিম লৈমা সিলহৈদবী সিন্দম্নঙু। বাবা খাইচাপুঙ। নোইম্নু খুমজাপুঙ তরেৎ সেনমা থক্তা সেনমা খোইবা। নোইম্নু খুমজা থক্তাখুম্মা খোইবা পুঙদা। হৈজ অওইখি (তান) নোইম্নু মরল খাল্লদনা। হয়রাঙ অসং য়েং তাউজিঙ অমুল খল্লদনা। হযরাঙ পুঙগাখেন.লুক্লেন পানগা চোম্না। হৈকৎ লৈকৎচবদি : ইবুংঙো ইবেম্মনা, হয়রাঙ হৈতংবিম্নু। লৈবাং লৈচিনবিয়ু। ননাই নচা নস্নুসিংপুম্ননক্ক। থুপাং চাংজো তরা মতু কাইনা লিসিঙমনা। চাংজো চেপনা লোম্না থুরুমজবদি। থবায় হামবোই হনবিগম্নু। মিরেন হামচৎহনবিগম্নু। ময়ুম মোংবা মরান য়াইদা, অবা ইরৈ চলহনবিগম্নু।

নখুল গুলপুকলেল অচঙবসিদা। ফও হাওখী তিলচা লাইচা, তিলম্নু লাইম্নু, কলক য়েক্লা লাকপা পুমবা হাপ্তরৈ খা পাংনা হোইথবিথরো। অফবা মুংঙাইবা, পুনসিবা, মুংসাংবা, নম্নু মীরাই তাদবা। কাওরেন সল্লাই তাদবা তরেৎ সেনখাউ চোলবা। নোইম্নু খুমকোক হাঙদববু লেপনা লনকুবিয়ু গুরু॥

গুরু লাইনিংথৌ খম্লাংবা, খোইয়ুম য়াইবী য়েলহৌঙৈ। মনিপুর সনা পুঙ ময়োন্দা লয়মুং মোরী য়োংস্নুংবা। থুম্নং তেক্লেক থাঙসাবা। চিঙঙু সাইয়োল হকপা (য়ামবা)। তখেল মীরয়পুঙ। ময়াং মিতমপান, হুয়েন নাগনা চীঙতোমপোক সনা হয়াই লোক্তগী (চৌদগী) নরুমবী খোইমোম লাইরেম্মা

তাদোই সিজ কালিকা লাইরেম্মাবু। তাদোয় লুমদিনন-ছুনা (লুমদিনবও) থোংনাং নহীরোয়সিংছুগা। মনিপুর সনা লয়বাক্তা য়াংদো খোয়দোয় ছুল্লকপা। উরিপোক থুন্দা হানবা চারিক মপাল থাবিবা। কোংথৈ মউ লিংবিবা। লীথিক কোনবু কানথাবা লিরেন কোনবু কোনদৈবা, লাইযিংথৌ ইবুংঙো ইবেম্মা। অনিনা হয়রাও হৈত বিয়ু লৈরাং লৈচিনবিয়ু। তাংলো থুযা থাদা হৈকং-লৈ কংচরি।

(অস্তম হায়না শক শোন্দুনা হৈকং লৈকংকনি)

১০। য়ুম্মজাও লাইরেম্মগী তেংথা

হে গুরু। মোংবা থাঙ্গ যুমজাও লাইরেম্মা।
য়ুমজিল লয়মা পাউদোয়বী।
নাকথা লৈমা পাউয়ানবী।
সঙ্গাই কাগুম ৯ মদা মৈরানগুম ঝাংঙনবী।
তন্দন গুম ঝাতেম্বী।
সঙ্গাই কারেন অমদি ফদিবী মৈরিং কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি নেনে য়াহিপ কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি তরা চাউম কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি লাইনিংথৌ সনা কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি অঙোবা পুরৈরোম্বা কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি চংলম ফানসাং কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি নোংনোইঙু অহোঙবী কানি।

সঙ্গাই কারেন অমদি লয়মা অয়েম্বী খোঙহাম কানি।
সঙ্গাই কারেন অমদি লংমাই পেতঙা কানে।
(অসুমনা তেংথারোল শোনগনি হৈকৎ লৈকৎ তৌগনি)।

১১। মাজিঙগী থেলোন

হে গুরু। থাঙবাই মার নিংথো
চিঙঙ্ ওংজা চৌঙমাবা।
শুক্লেননা য়াকানবা।
লাইরেননা পোংবৈনবা।
কবো ক্যাং ঙম্বা।
থমু' কাবা, লয়বাক
মাইবাহলবা বাতেম্বা।
নিংথো মাইবা হলবা
বাংঙলবা লাইয়িংথৌও।
(অসুম হায়না লাইশোল অসি শোনছুনা হৈকৎ লৈকৎ
তৌগনি)।

১২। পুলৈরোম্বগী থেলোন

হে গুরু। থাকপা নিংথৌ লৈহৈবা। বাংবা নিংথৌ পাঙ্গ্বা। অবাং পাথং য়োঙ্গিরেলবা। থ'বানোংনিংথৌ কোলথৈ অভাম্বা। সবাং অথাপ্পা। থংবা য়োয়থ'লেন। সিঙকাপ লেংবা থাবা সিঙছুম নিঙ্গোয় য়েকপা। মাকমৈ লুরেন খলবা। লাইপব খেল্লাই ইবা। নমু ফমলম সিলবা। তাইবঙ অচঙ অসি রুংব শরুক লওদম ফলবা। ল'লোই মীঙা খোপ। সরেন মীসুং লাংবু য়েনহৈবা। কোরও নোংখোয় ফম্বা। লুংনাং য়াইবীবেন সিদবা। য়াইবী মখোয় নেংপা। থাকপা পুলৈ রোমবা। চীঙঙ্ পুল্লাং নাকাবা। কোকমরোঙবু তেবওবা। খোমরোঙবু হলবাইবা। খোযম য়াইবী য়েলহওগী চীঙঙ্ থব নোং নিংথৌ। খোইয়ম পাথঙ য়োইরেনবা। চীঙঙ্ লাঙ্গোই নথুনেং। লাঙ্গোই ভোবা পালবা। শাযা মরি পানববু লাঙ্গোই থুনেংনবা। কোরও চৈখাঙবা। বাংবল তেলহৈ প'ঙ্গু্ম্ব। হে খোয়য়ম লাইনিংথৌ। চিঙঙ্ হৈনা চাউবা। পামেন উচুঙ হকপা। খোইয়ম কোরও হনবা। খোয়য়ম খোয়ম ফাবা। নাউবা খোইসাং সিংপা। চীঙমুং লৈশং খেকরায়বা লৈরাং খয়োম ন'চোংবু পারিনবা হে গুরু।

(অসি হায়না শক শোন্দ্না হৈকং লৈকংকনি।)

---

১৩ । সেংমাই নিংথৌগী খেলোন
(লাইরিক অমগী মত্ত)

গুরু। নাচী ভাংডোই য়োয়মোংবা য়োই চীঙ কৈতম কৈবা। হয়রেম লম্মপাক। খুঞ্জান লম্মহন, মহা লমনুংসি সেং-মাই ঈঃ মকদগি। মোংবা তোরয় নামসংসিংনা। তুদও থোংদব-রকপা, তুতেং থোংতেংলকপা। হয়রেমনা পুঙমা থক্তা, পুঙমা থোনবা। খুঞ্জাননা থেনমা থক্তা। থেনমা থেংপবু। হয়রেম লমডাকলকপা। খুঞ্জান লমসেল্লকপা লাইনিংথৌ। চীঙভু সিদবা, থোয়য়ম নাদবা তুবী চীনা হেলবা। লাইরেল লুনা, বাংবা ইবুংঙো, ঈবেম্মা।

(অসি হায়না লৈসি লৈথোন্দুনা হৈ লৈ কংকনি।

---

১৩ । সেংমাই নিংথৌগী খেলোন
(লাইরিক অমগী মত্ত

গুরু লাইনিংথৌ সেংমাই নিংথৌ

থোয়মোংবা। তুবী কোকনী লোঙবা।

তুবী কোকলেন পাংমনা মহা খুনসেম্বা।

লাইরেন কোকলেন পাংমনা মরিং খুনশেম্বা।

মোক্তোক চীঙয়ায় থায়না লাইজা

ঈঃ থারকপা, লাইনিংথৌ ॥

(অসি হায়না শক শেন্দুনা হৈকং লৈকংকনি)।

১৪। ঈথক নিংথৌগী থেলোন

শুক লাইনিংথৌ ঈথক নিংথৌ লম্মাখ। তুবী য়েকস্থ য়েক্‌সায়দবা। লাইরেন য়েকস্থ য়েকমাঙদবা। হয়গোম্ম মসিঙস্থ, লাইয়েঙ ফিফম ফাবা। তুবী চৌরেন পাংমনা, সনাগী লোঙথুম পঞ্চন হুকলিবা। লাইরেন চৌরেন পাংমনা, লুপা লোঙখুম পঞ্চন হুক্লিবা। নয়া য়ারেন খোংচি থুদিংদা সনানা হাজং য়ৈরিবা। নতু তুরক থুদিঙদা সনানা কোংযোং চাইরিবা (হংলিবা)। তুবী ময়না পুঙবা (তুবী চৌনা হেন) লাইরেন লুনা বাংবা লাইনিংথৌ। কোরও নোংমদোন খক্তগী। ময়রা হাইজো থানকুম্না, যুগনি নোংখাঙ কুপ কুম্না মালেম লয়তারকপা। কাঙলু লে খো নরকপা। হুনতং পাসনরকপা লাইনিংথৌ ইবুংঙো, ইবেম্মা॥

(লাইরোল আস শোন্দুনা হৈ লৈ কংকনি)।

১৫। ঈরুম নিংথৌগী থেলোন

শুক লাইনিংথৌ ঈরুম নিংথৌ লমাবা। হেরেন লমঙাকপা, থুঞ্জান লমসেনবা। হয়রেমনা পুঙমাথক্তা পুঙমা থোনবা। থুঞ্জম্মা থেনমথক্তা থেনমা থেংপবু হয়রেন লমঙাকলকপা থুঞ্জান লমসেল্লকপা লাইনিংথৌ তুবী চৌনা হেনবা, লাইরেন লুনা বাংবা ইবুংঙো ইবেম্মা ভাংলৌ থুয়াথাদা হৈকং লৈকং তমজরিয়ে লৌবিয়ু।

১৬। পাখংবগী থেলোন

হে গুরু লাইয়িংথৌ পাখংবা তুবী
য়েকস্থ য়েকসোইদা লাইরেন য়েকস্থ
য়েকমাঙদবা। হয়গোয় মসিঙস্থ লাইয়েং
ফিক্ম ফাবা। তুবী চীরেন পাংমনা
সনাগী লোঙখুম পঞ্জন হুকলিবা
লাইরেন চীরেন পা মনা লুপাগী
লোঙখুম পঞ্জন হুকলিবা, য়ারেন
খোংজি খুদঙদা। সনানা হাজং
য়ৈরিবা। নতু তুরক খুদিঙদা সনানা
কোংমোং চংইরিবা। তুবী চীনা
হেল, লাইরেন লুনা বাংবা লাইয়িংথৌ।
নকম্বী (নশানৌ) ইবেম্মা খোইমোম
লাইরেম্মা, লাইনা সাবী লাইস্না চীঙড়
অনিমগী। নকুম কুম্বী কুমকাউদা
নথা থাবি থাকাউদনা। হৈকং লৈকংচরি।
(অসি শক শোন্দনা থোথোক অদুগী হৈ লৈ কংকনি)

১৭। লমখম লোন
(লমখন লোন্দি লাইরোনগী বানে)

নেন্দম্বা গুরুনে। পম্বিং খনবম্ম থুময়ান
খনবম্ম লেম্লৈ নিংথৌ মচানে।
নোংজিও খনবদি সোইম্নাম্বী কৌএ।
মুঙ পাইম্মক খনবম্সং,
পাৱম পুৱমম্সং, ঙালেন খোংখনবম্সং,
কয়থেন মান খনবম্সুঙ। লেমলয়
নিংথৌমচানে। তুবী খলবম্সুঙ লিকল
অপিসা খনবম্ম, মুঙলৈ পোংমান
খনবম্সুঙ। লেমলয় নিংথৌ মচানে।
চকপ ঈঃ খনবদি। সনা য়াবিৱোন কৌএ
লৈথামঃপোক খনবদি। নিংথৌ লোইয়ানা খল্লে'
পিরুক হিদেন খনবদি। বাংবৱেম্না খল্লে।
শম্লমলেন কৌবা পাথাই খনবদি বাংবৱেম্না
খল্লে। অনাল খনবদি হুমকাংবা খোংকৈ
য়াওবনা খল্লে। শুগমু খনবদি য়িৱোক
সেননা খল্লে। লঙ্গুল খনবদি লাই লাইৱেন হিংকুঃ
কৌয়ে। মথৌ হিদেন খনবদি। লয়মা পিয়াইগুনে। মথা
ইৱেন খনবদি। বাংব্রেম্নে। চৌঙজাওদি থাংজিঙনা খনথিৱে
লো তো কৌয়ে' লমচাইগনে। নিংথৌতা ই.বন খন*

লয়মা পামকৌবীগা। নিংখৌ খয়াংবগা অনিমনা খল্লে। কোন্দেপাং খনবদি ঈপী খাংজেংবীনা খল্লে। হুইজাউ খাংজেং-ঙা কৌএ। চাইরেন খনবনি, সনা চাইনা খল্লে। সুবা হিদেন খনবদি লাংপোক নিংখৌনা খল্লে। সুম্বীদি ঈপীদি বাংনু লয়মনা খল্লে। থানপোক ইরেন খনবদি,। বাংব্রেন মচানা খল্লে। তুশামদি লাই লয়মনা, ইসান থানবীনা খল্লে। চৌঙ-শাং লাকপনা খনবদি। ঙাইনোং নিংখৌ কৌয়ে। লোকথান্ন-বীগু মীকাং লাংমৈ কৌয়ে। মুচংদি বাংব্রেন অহনবনা খললে। ঈথায়দি, কৌওই লয়মনে। চারি হিং কৌএ। হয়কক খোঙ-সুংদি। বাংব্রেন মচানা খল্লে। ছিয়াঙথাংদি। লয়মা থাম্বী ঙম্বীনে। পুমলেন্দি, পুকশৃ লৈতাংমুনে। তেনবান য়েনথা-য়াঙদোঙবদি। বাংব্রেন লোংছিশং কৌয়ে। ইরেম খনবদি খোইবীরেন মচানা খল্লে। খোই য়াঙবা চংনিংশোন্ন খনবদি থানমা মচানা খল্লে। ককবা খনবদি। বাংব্রেন মচানা খল্লে। লফুপাং খনবদি। লয়মা মুয়াং থাম্বীনে। শঙাইবী খোংসুংদি। খোঙঙারেন মচানা খললে। থাংখা উত্তোম খনবদি চৌঙসু চৌঙজাও খনবসুং। তেনবান খনবসুং অসি থৈবিক খনবদি। খোইবীরেন মচানা খল্লে। মমিংদি শিং হু হূপ কৌএ।
(লম লমগী লাই ঙাইবা হুমদি চুপশা মোইথেম্বদা মসি শক শোনগনি)।

১৮। লমখন লোন
(লাইরিক অমগী মত্ত)

লমখন লোন্দি। নেনক্বা শুক্ৰে।

পালেন খনবস্লুং। মুংবে খনবস্লুং।

পালাং মোংকাং চৌও খনবদি

বাংব্রেননা খলয়ে। চৌওজাও খনবদি।

লাংজিং নিংথৌ মচানা খললে। মখিংদি

ওঁ তৌ কৌএ। তরাখাও খনবদি,

লমচৈবনে। নিংথৌডা ইরেন খনবদি।

লৈমা পানফোবী, নিংথৌ খল্লাংব অনিমনা

খল্লে। কোম্লেপাং খনবদি। ঈপী খাংজেং

হুইতৌ খাংজেংডা কৌযে। চাইরেন

পাংতি সনা য়াইনা খল্লে। মুরা হিদেন

খনবদি। লাংবুম নিংথৌনা খল্লে।

লাংবোম নিংথৌ কৌয়ে। সুপ থেনবী

খনবদি। পিবাংমুনা খনয়ে। পিবাংমু

খনবদি, বাংমু লয়মনা খললে। তুশম খনবদি।
লাইবা লৈমা লাইসেন থানবীনা খল্লে। খম্বোং ইরেন খনব[illegible]
বাংব্রেন মচানা খল্লে। চৌওশাং নাকপাক খনবদি। ঙাথো[illegible]
নিংথৌ কৌযে। লোকয়িস্নুবী মিকাং লাংবৈ কৌযে। মু[illegible]
খনবদি বাঙব্রেন অহনবনা খললে। ঈথায় খনবদি
কোওইবীনা খললে। চারি হিমুং কৌয়ে। হাওকপ থো[illegible]

খনবদি বাংব্রেন মচানা খললে। হিয়াঙখাং খনবদি লয়মা খানবী ঙম্বীনা খললে। পুমলেন খনবদি পুকশৃ নৈতংমু কৌয়ে। তেনবান য়েল খনবদি। বাঙবয়েম্না খললে। নোংঙ্গিংসং কৌএ। ইয়েন খনবদি। পা খোংলেন মচানা খললে। খোইয়াং চাইনিং চাইবদি, খনমা মচানা খল্লে। ককচা, খনবদি। বাংব্রেন মচানা খল্লে। লফুপাং খনবদি। লাইথমু নৈখাম্বীনা খলয়ে। শঙাইবী খোং খনবদি খোইয়েন মচানা খলয়ে। খৈ খৈ উথুম খনবদি। চীঙঙ্ চীঙজাওনা খলয়ে। চীঙঙ্ চীঙজ'ঙ খনবদি। তেনখন পানবম্বুং অসিনে।

১৮ (লাইরিক ১গী মত অমনা)

১। কোন্দো খনবা লাই নমিংদি চীয়োঙ কাযুবা কৌয়ে।
২। নিংশি খনবা লাই নমিংদি সনা কোলবু সিদবা কৌয়ে।
৩। বাঙবচীঙ খনবা লাই নমিংদি, সনা তোং ভয়েংবা সনা চোংফুকলেন শিদবা কৌয়ে।
৪। মাক্রুং খনবা লাই নমিংদি, উথা পয়েম চীনাইবা কৌয়ে।
৫। মংশা খনবা লাই নমিংদি ক্রিং ক্রিং ক্রিং কোঃ কৌয়ে।
৬। খেপু চীঙ খনবা লাই নমিংদি চীয়োঙ নাইবা কৌয়ে
৭। কায় খনবা লাই নমিংদি হোক, উম, শেং হাই কৌয়ে।
৮। চিথেক মরি, মাইকৈ নিপাল, সুংদাই ১৩ পোইন্টর সিঙ্গায় ৬১ মক্তা সুপনা খনবা লম খয়োন্দি লমখন অম্বুম্না কৌয়ে। অসি খঙনা শক শোম্বু।

১৭। নিংথৌ ১৬ কী য়াকৈরোল

(১) মুমিংকী তেংথা হায়গে।
কাইনৌ চৌঙলাকপগী মদাইরেম
অমাইববু কৌবদি। মাক্তক অহোঙবও তৌনা কৌএ
মাক্তক অহোঙবনা মুমিংপু তেংথাবদি। চৌঙমিং মানগী
চুনবও তৌনা কৌএ। কোরও খোংজোম-
মুবীবুদি। য়িংদিমচা ৬ মও কৌই।
নিংনাংবুদি, শাইবিরিং ও কৌয়ে।
হারিবুদি তরুক মচাও কৌএ।
হঙোইবুদি তে হো ও কৌএ।
অসুম্না চৌঙখোঙ য়াগা শরুা
য়াহৌনয়ে হায়দবরা।

(২) সেলোয় লংমাই নিংথৌ থংবা
কথংবগী মমাইববুদি। চকপা
কাসি ঙম্বা লংমাই খেনবুঙ লাঙাবা,
মোবা বাকুম্নও তৌনা কৌএ।
মানা মুমিংপু তেংথাবদি।
খোইমিংসি গী চুনবা,
লাইমিংসিংগী নিংখিবও কৌয়ে।
কোরও খোংজোম মুবীবুদি

তাইমু তরুকমও কৌএ।
নিংনাংবুদি চৗওনাংও কৌয়ে।
হারিবুদি সেয়নবিগাও তৌন কৌয়ে ॥
হওোইবু লাইমৈতাংও তৌন কৌএ।
অসুম্না চৗওখোও য়াগা শকনৈয়ে ॥

(৫) চৈবম খুন্তান নিংথৌ লুমজেং তাউবগী
মদাইরেম মমাইববুদি কোরিয়াও কৌয়ে।
মানা মুমিৎপু জেংথাবদি। মুমিৎ য়াইরং
চানও তৌনা বৌই। কোবও খোংজোম
মুবীবুদি। ইনথি কোনয়াউও কৌএ।
নিংনাংবুদি সেরনবিচাও কৌএ।
হারিবুদি চেকপী-ও কৌয়ে।
হওোইবুদি সেরাং-ও কৌয়ে।
অসুম্না ইনুং চৗওখোও
য়াগা কৈনরময়ে ॥

(৬) অদোন নোংয়াই খুমন নিংথৌ
লুংবা অহনবগী মদাইরেম
মমাইববু কৌবদি। বাজেং
কোনবমুও তৌন কৌয়ে।
মানা মুমিৎপু জেংথাবদি
নোংপোক মানগী চুনবও তৌমা কৌয়ে ॥
কোরও খোংজোম মুবীবুদি।
য়েনবী চায়াম চেনবী।

মচা ঙমা পোকপীও কৌএ।
নিংনাংবুদি হাওসি নামোইমুনা
ওইখিবা চেক। হুকচারিক্কিদি
হুইনিংনাংও তৌনা কৌএ।
হারিবুদি লাংবরিকও কৌএ।
হঙোইবুদি তাউদনবও কৌএ।
অসুম্না চীঙখোঙ য়াকৈনয়ে॥

৫) হাওখা নিংথৌ বায়েনবগী
মদাইরেম মমাইববু কৌবদি
তাইবুংও কৌএ। মানা
মুমিৎপু তেংথাবদি অঙাইবও কৌএ!
কোরও খোংজোম মুবীবুদি
চোংমুরাবীও তৌন কৌএ।
নিংনাংবুদি চীঙদারাউবও তৌনা কৌএ।
হারিবুদি লাংখোং পাইবও
তৌনা কৌএ। হঙোইবুদি
লাংখোংশাও তৌনা কৌএ।
অসুম্না তেংথানরময়ে॥

(৬) কেগে মোইরাং নিংথৌ উরা খুন্দাবগী
মদাইরেম মমাইববুদি। মোবা বাকুশুমও
কৌএ মানা মুমিৎপু তেংথাবদি
য়েলাং পানগী নাচাওবা। চাওখোংপানগী
নারেংবও কৌএ। কোরও খোংজোমমুবীবুদি।

রুক চায়োম্বী মচা তরুক পোকপীও কৌএ।
নিংনাংবুদি। উশারিকও কৌএ।
হারিবুদি লোইয়ারাউবও কৌএ।
হুড়োইবুদি লোকলাউবও কৌএ।
অসুম্না য়াহৌনয়ে ॥

'৭) নোংবান কানতেক নিংথৌ
শোক্লাইবগী মদাইরেম মমাইববু কৌবদি।
শনথোঙ মোরিয়াও কৌই।
মানা মুমিৎপু তেংথাবদি।
অয়েংবও কৌএ। কোরও খোংজোমনুবীবু
তাইবরিং তরুকমও তৌন কৌএ।
নিংনাংবুদি শাইবরিংও কৌই।
হাবিবুদি পাকশাও কৌই।
হুড়োইবুদি চাওশাও কৌই।
অসুম্না য়াহৌনয়ে ॥

৮) কম্বোং নিংথৌ খিকমবাবগী
মদাইরেম মমাইববুদি। শারাথিও কৌএ।
মানা মুমিৎপু তেংথাবদি।
খমমিৎমানগী চুমবও কৌএ।
খোংজোংনুবীবুদি য়োঈরুম লোন
মচা তরুকমও কৌএ।
নিংনাংবুদি, লাংথোং শাও কৌএ।
হারিবুদি, খোইচিং শাংবও কৌএ।

হৌোইবুদি, পাং তরাউবা কৌএ।
অসুম্না য়াকৈএ॥

(৯) মুংবান খোঙভাক নিংথৌ
কোই মনাউগী মদাইরেম মমাইববুদি।
খমরা অশাবও কৌএ।
মানা মুমিৎপু তেংথাবদি ।
শরা ভানবও কৌএ।
কোয়ৌ খোঙজোমনুবীবুদি
য়োঙ্গীরুম লোন ওমও কৌএ।
নিংনাংবুদি তশাং লৈমও কৌই।
হারিবুদি শারিককুম্বাও কৌই।
হৌোইবুদি খোংবান লাইমৈকও কৌই।
অসুম্না য়াকৈনয়ে॥

(১০) ইচিক ঈয়া কোং নিংথৌবা
মদাইবেম মমাইববুদি।
অরা নোংলম্বুও কৌএ।
মানা মুমিৎপু তেংথানবদি।
নোংশারিকও কৌএ।
কোয়ৌ খোংজোমনুবীবুদি।
খোংজোন মুয়াবী তরুকমও তৌনা কৌয়ে॥
নিংনাংবুদি, তারং লাউবও কৌএ।
হারিবুদি, ওকও কৌএ।
হৌোইবুদি পুঙদোয়বও কৌই।

(অসুম্না। ইসুং চীঙখোঙ য়াকৈনএ)।।

(১১) য়াম্না তুমাবা খোংফৈ নিংথৌ
লমচাওবগী মদাইরেম মমাইববুদি।
ছুইতাউ খোংঙাইবও কৌই।
মানা মুমিৎপু তেংথাবদি
কিথৌ য়াংবও কৌএ।
কোরও খোংজোমনুবীবুদি।
চেম্পী মচা তরুকমও কৌই।
নিংনাংবুদি হাওশী নামোই
মুরাবী শাওনচেক নোংশরিকও কৌই।
হারিবুদি ইঙেন মুরাবী মরি
হারি পনথমবও কৌই।
হঙোইবুদি খোংবান লাই
মৈনাইবও কৌই।
অসুম্না য়াহৌনয়ে।।

(১২) থাথায়াকপা অঙৌবা পুরৈরোম্বা
লংমাই নিংথৌ মদাইরেম মমাইববু
কৌবদি। লুরাং লংমাইবও কৌই।
মানা মুমিৎপু তেংথাবদি
য়োঙ্গ শোম্মেঙ শোমপেং
লৈনোবা য়োয়খোম থোক
খোমথোক নানোবাও কৌয়ে।
কোরও খোংজোমনুবীবুদি।
ইঙেন মুরাবীও কৌএ।
নিংনাংবুদি হুইচুরিকও কৌই।

হারিবুদি সেন্নানবীও কৌই।
হঙোইবুদি লাইথোঙ তেনবীও কৌই।
অসুম্না য়াকৈনএ॥

(১৩) কুনাল তেলহৈবগী মদাইরেম
মমাইববুদি রাকচা অশৈবও কৌই।
মানা সুমিৎপু তেংথাবাদ।
তাংদল চুনবও কৌই।
কোরও খোংজোমনুবীবুদ।
চারাইনবী তরুকমকও কৌই।
নিংনাংবুদি চীঙচরোই সুরাবী কৌই।
হারিবুদি শোংকারিকও কোই।
হঙোইবুদি পাৎ তরাউ তরাউবা কৌই।
অসুম্না য়াকৈনএ॥

(১৪) চীঙঙা লোথোং তোংবা নিংথৌ
খমদোবগী মদাইরেম মমাইববুদি।
চিংঙা লোথোং তোংবও কৌই।
মানা সুমিৎপু তেংথাবদি।
লোয়রং নহা শাফবও কৌই।
কোরও খোংজোমনুবীবুদি কাইনৌ
লোথবী তরুকমও কৌই।
নিংনাংবুদি হাওশী নামোই
সুরাবীও কৌই। হারিবুদি
শাওশী খোংখপনু কৌই।

হঙোইবুদি থোংবান তম্মাউবও কৌই।
অমুম্মা ইমুং চীঙখোং য়াহৌনরে॥

) মুংবান লুবাং নিংথৌ পনসিংগী
মদাইরেম মমাইবব্ কৌবদি।
অথোং তোইয়াপান পিমুওকৌই।
মানা মুমিংপু তেংথাবদি।
য়াইরং চানও কৌই।
কোরও খোংজোমমুবীবুদি।
থোয়নৌ য়িঙেন মুবীও কৌই।
নিংনাংবুদি চীঙশোং মুম্নাবীও কৌই।
হারিব্বাদি নোংশরিকও কৌই।
হঙোইবুদি অয়াম থাউ কৌএ।
অমুম্মা ইমুং চিঙখোঙ য়াগকৈনএ॥

৬) পোইরৈ ময়ায় সুমতোংপান।
য়াঙোই শরুক (শাবোক) পুঙ। চোইনৌসনা
চংলয়রেম। লুপ .থলমায়
লাংনা পানবা পুঙ। বাংলেন পুঙবু
১৬ মকপু লাউথৈ তিলসিলপুঙ।
পুঙলেন ময়াইরেন য়াইফবদা
তুগী য়োয়নোংদা। লয়মুং লোঙ্গা
আরবা নোংদা লাইরেন পাখংবগি
মদাইরেম মমাইববু কৌবদি ঙাংঙরা
পুংদোয়বা। থানিং লোঙ্গা থারুক

অসৈবা, সিন্নৌ নোংখোন ইবানপী
পাউদোং সেম্বা ইত্তোং তাউবও কৌএ।
মানা মুমিংপু তেংথাবদি। থবি
সেঙ্গোইরেং অপানব, মালেম লাংজখৈ
অথৈবা মুমিং সনা খোম্মদোন অতোনবও
তৌনা কৌই। করও খোংজোমমুবীবু
কৌবদি য়োয়রুমলোন ইঙেন মুরাবী
৬ মাও কৌই। নিংনাংবুদি হাওশী
নামোই মুরাবীনা শানওন চেকও তৌনা
কৌই। নিংনাং সেন্নানবীচাও কৌই।
জারিবুদি নোংকাবিকও কৌই। হঙোইবুদি
লাইমৈ শাংও কৌই। লিক্লাই কোরও
ইনোংখৌ হেপ্পু খুনমাবও। অম্মনা
ইন্নুং চীঙখোঙ য়াগা কৈনএ॥

২০। লৈমরেনগী তেংথা

হে গুরু ইমা লৈমরেল সিদবী মাংসোকলাইনা পাংবরমদা কম্মেল লুথাই ফমলিবি নথক পুঙগা থোল্লিবী, নথা থোংগা তৌবিবী চকপি লাইশম নোংদার খুনেৎনরিবি লিকোন অচংবনা খুদানবি লুনাং শম্মুল পুল্লগা পম্মৌ কৌবদা পাউখুম্বি লুতুং শমজি কিরগা পলেম কৌবদা পাউখুম্বি লবাঈ

শম্বুল পুক্লগা পলেম পাম্ভ শক্লিবি মোংবা য়ুমজাউ কারেন ক্তা হেমোইবি য়ুমজাউ কারেন অমদা অভৌবা পুরৈরোম্বগা য়ুমজাউ কারেন অমদা নেনে য়াহিংপপি মোংবা য়ুমজাউ কারেন অমদা কন্বিবি মৈরিংগা য়ুমজাউ কারেন অমদা নোমাই পেঙ-চাগা য়ুমজাউ কারেন অমদা য়ুমজাউ লৈমা ওইরিবি হে গুরু ।।
চিঙু, ভাংলো থাদা হৈকং লৈকংতমজরিয়ে ।।

২১। থাঙচীঙগী
(হৈকং লৈকংতা শিজিন্নরিবা লাইরোল)

হে গুরু। কেগে কসারেন মোইরাং লাংবুম অরিবা কেকে থাংজিং কোইরেল লাই। লোইদাম শজিবু থাজদা ভাংখা থুন-য়াই থাইনা কোরৌ লংমাইচিং পুংগোই খেললেন মতা কবদা কেগে খুম্ভবকপা লাইনিংথৌ। নশংনৌ ইহেম্মা কোইরেন লৈংগা নয়ুম কেগে থুললিংলকপা কাগ্রু লৈহৌ পোকপিদগী নহোম থুনকাউরকপা কেগে থুম্ভোং লেপন মোইরাং থুনতা শাল্লকপা লাইথিংথৌও।।

চিঙু, ভাংলো থাদা
হৈকং লৈকং তমজরি ।।

২২। মারজিংগী

(হৈকং লৈকত্তা শিজিন্নরিবা লাইরোল)

কে গুরু মার পাংনৈ হুনবা
নোংপোক বাইরং অতোনবা
শরেন তাংগম য়াদা চিকপা
য়াংগোই মোইশা অয়াংবনা
খো নেংনবা কোয়ৌ নোং
শগোল অপাইবা লাংগোই
শোবা হেনবা শা মরিপানবা
মারজিং লাংগোই হৈভাং
পাত্তা চাকতাব শুমাং
বাইপুং মথকত নোংলেননা
মরাং হৌবদা লাংগোই
খুরুপ হৌ খুরুপ মানপন
হৌবদা লাংগোই খোংশুন
তাদাবা শাবু চিংভু খোংনেং
ওইরিবা নশানৌ হবেম্মা
তমপাক লৈহৌরকপীগা
নপংশী হবুংভো নাহারাকপা
তোংলা খোম্বাগ ভিংভু ভাংলৌ
খাদা তাউজিং হৈকং লৈকং তমজরি॥

২৩। বাংব্রেন

(হৈকং লৈকংতা শিজিন্নরিবা লাইরোল)

হে গুরু খানা চাউবা বাংবরেন
পিগুম য়েকপা খোংচি য়াবা
মুনা য়েকপা মুনা লাংবা
ঙাচিক কোনগুম কোলশিংবা
ঙারেন কোনগুন কোনথাবা
লাইজা ইখোং লোনবা
লেমলৈ ইখোং খিংবা
নশানৌ ইবেম্মা তালোই
লুমলেন মাপল মককা
কমকম বয়েল্লিবা হে গুরু
চিংঙ্কু ঙাংলৌ খাদা
হৈকং-লৈকং তমজরিয়ে ॥

২৪। কৌব্রু

(হৈকং লৈকংতা শিজিন্নরিবা লাইরোল)

হে গুরু অবাং কৌব্রু অমুকপা
লাইয়াম খুন্তা হানবা নোংহৌ
মউ শিংবাচিঙ চাইথরকপা

লাইজনা তময়া চোননং
পামক্সারিবা নশা.নৌ ইবেম্মা
খোযমোম কৌম্ন লাইরেম্বগা
নপারী শক্লা লাঙ্গোম্লিবা
লোয়াবাকপা লাঞ্জিন খোৌবা
লেমলৈ রাকপা লৈশোং পাক্সা
নাঙ্গারাকপা তোলেং খোম্না
হাউমারক্লী কনবা ফংবা
বাইরা শামাং লেপপা
হুযেন লানজং থৌবগা
নমোম ইবেম্মা থৌহু
লুংখেল লৈম সনা
খাননা পানবি থৌহু
চেংজা হুংলাই খোঙ্গী
ইরোক লৈগা চাইবোং
ভানবিগা চিঙহু খোযবুম
মরিমক্কী ঙাংলৌ থাদ
শিংঙেল লৈবাং কংচরি
তাউঙ্জিং ইঙকং চরিযে ॥

—— ———

২৫। খোইরিকাবা

(হৈকং লৈকত্তা শিজিন্নরিবা লাইরোল)

হে গুরু।
চিঙভ নোংথো সোরারেন
অবাং পাখং ম্লোইরেনবা
কোরৌ থংবা নোংনিংথৌ
মপারি শিংখোং য়াইমবা
নোংথৌ খোইরি হায়বা
নাবা থোইদাং শিংপা
শিংঙেল লৈরাং খেকবাইবনা
চিঙভু নাওথেম নরকপা
লাইনিংথৌ নশানৌ ইবেম্মা
তমকা (থম্বাল) লাইরেম্মগা
নতৈ ননাউগী ভাংলৌ
থুয়া থাদা শিংঙেল
লৈরাং লৈকংচরি।
ভাউজি' হৈরাং
হৈকংচরিয়ে ॥

---

২৬ । থমলাংবা

(নৈকং নৈকত' শিজিন্নরিবা লাইরোল

হে গুরু !
য়োংনিংথৌ থম্মলাংবা
তথেল মরম্মপুক্ত হুয়েন
মিতমবান নাগানা সনা
চিংতোম পোক্কগী চিংগু
নতোম খুনুফাউরকপা
নশানৌ ইথেম্মা খুল্লেম্মা
শিজা কালিকা ঙাইরোইননা
উরিপোক খুন্তা হানবা
মুঙবু থুম তুম্মগুম তুম্মা
য়োংপু চগেম শাইবগুম্ম
শায়বা থমলাংবা য়োংপোকপা
যোংনিংথৌ তেংনৌ শাগোম্মবা
নশানৌ শম্বোং হুইমুরেমা
মপারি অমুতোন নৈরাবগা
ঙাইরোইনরিবা হে লাইনিংথৌ
চিঙগু ঙাংলৌ থাদা
হৈরাং হৈকংচরি
লৈরাং লৈকংচরি ॥

২৭। খাংজিঙগী খেলোম

হে গুরু!
কেলজী নো'ঙুম লম।
মালং মখোঙচীল।
খমগোল মরাকচীলবু।
তাননা খল্লবা। কেগে।
শক্তোঙ মোরিবা খুয়োল।
ফকতোম। ফম্বা
থাঙ্গ তোলবল নিংথৌ।
কেগে লয়শাবুঙ মোইরাং।
কশায়েল নামুংবা।
য়াইবী পল্লোক তানবা।
ত.থল লাকচীল ফম্বা।
ময়াং সকাং তোংবা।
পাঙল তমপাক কোয়বা।
চীঙলেন নাপোম অতোঙবদা।
ফমফম্বা। খারম মোনথৈ
ঙম্বা। ছুয়েল চীঙ
কথাক ফাবা লাইরিংথৌও॥

(লাইশোল অসি শক শোল্লগা হৈকৎ লৈকৎ তৌগনি)

২৮। নুমিৎকী তেংথারোল

(অঙানবা সনা খোম্মদোন অতোনববু তমফা বাঙমলোন থাবী লেংনাউ খোম্বীমা মচেঙ কাইরৈ অঙৌববু নাক্তা যেপনা, পাউথে ফবা মাইনা য়োয়ময়ায়বু থেমহুনা খোক্লবদা ভাইবঙ ময়াম্না চরাউহুনা তেংথানবনি)।

লহালনোং পোঙৈরৈ সনা পুঙময়োন্দ অমম লৈথ ফংনা ময়ম্বদগী। যোযমযায় তাউদনবনা। হি শৌঙ হেঙ্গারক্লবদা ময়ুম সেলোই অশৈবা লমাই তেংথাবা মপল করেং চৈঙগী লাইরু ফাবিচা, সংলো চৌঙগী খোকয়াল ফবৌ লমাই খোইবী হায়বা। চকপা কাশি ভম্বা। লমাই থেনবুং লাংপনা। য়োয়নয়াম্ববু তেংথাবদি চৌঙগী মনিং মাননা খোকলকএ। চৌংনিং মানগী য়োযরেনবা। তমগী মনিং মানবা খোকলকএ। ভাম্বংমানগী য়োয়ঙনবা। সেলোয় ঈয়ুম্নাকপু। থয়োং লোকনায় হেল, শত্ত চৌঙলাই ভাম্না মু সারাও হায়না তেংথানরে॥

য়োযময়াঈ তাওদলববু। ময়ুম হৈরেম চাওবপুঙ। খুঙ্গান শাংবা য়ায়দা তেংথানবদি। হয়রেম অশৈবা, খুঙ্গান তেংথাবা লেংনাউ হাওখোম্বা। হাওতং পুঙদোয়বা। কাংকু ওয়াউচা। পুঙ্গল ননাউসু। ফক্লাং লোঙ্গাসুংদা মতোম বারী বাক্লা তেংথাবদি। ইসুম হয়রেম কাইসু লয়মা। খুঙ্গান খোঙল তেলহৈবা চন্ন। তুরল নানফো মচল। থালৈ লোকুম লোকা সেল। ভাংগুল মরা থাঙমলখুৎ। লাইজ মিৎয়েং সেন অপালবও। ঈরেম হয়রেম চাউবা পুঙবু। থাওবী লোকমায়হেল। শত্ত চৌঙলাই ভান্না। পামেল উখোঙ লোননা মুংসারও হায়না তেংথানরে॥

হাওরৈ থানা পাংবখম। মোংয়ায় চাউবাপুঙ। অতোন সাংবা য়ায়দা য়োয়ময়াঙ্গী তাউদনবু তেংথাবদি। নোংয়াই অশৈবা খুমন তেংথাবা। মপল লিনসুরোল ঙাহোঙবা চমু। পায়মা লিনকোয়গী। থোক্টবা লাংথম চিংহাওসু। চৌথম লোইয়ী শাজেল বাক থোবাল থোকাবা লম কোয়বাক। লম কাবা বাংথাবাক। লয়থম মোইনুবাক। হুইদ্রে কোমলাংবাক। বাইনু থোঙ্গালবাক। ভলবা থাংজিউসু। মোংয়ায় হাওমাবা খুমন অতসুঙ মদোমদে। নাউদতোম অশৈনা তেংথাবদি। য়োয়মযাঙ্গী তাউদলবা এলাংপানগী নায়েকপা। চাউথোংপালগী হামচৌবা। য়োয়সিং শিংকী তম্বাবা। লাইরেন য়োয়সোমপেং শোমপেং লৈনোবা য়োয়থোমথোক থোমথোক নানৌবা। য়োয়-পরেং লয়সঙবা। নোংয়াই চাউবা পুঙবু পুয়া তাম্না মুংসারও হায়না তেংথানয়ে॥

কেগে চাউবাপুঙ। মোইরাং সাংবা য়ায়দা। য়োয়ময়ায়বু তেংথাবদি। কেগে অশৈবা মোইরাং তেংথাবা। পুরোল চৈমাবা মুকেম্বা। মুয়াম সাফবা, হাংবা পুঙমনাউ (পোংমনাউ) লাহান থোইরীসু মরোই বজেংলম, থোংঙাই অতোনবা কেগে পুয়াং চৈমাবা। নিংবা চৈমাবা। চৈমা মুকেম্বা। থাইজেনজম মপা চৈমা অশৈবা। থানিং মিকৌ বাক্লা। য়োয়ময়াঙ্গী তাউদলববু তেংথাবদি। মুঙমু থক্তা নাউপেংবা। মুঙমুরাজ অতোবা। মুঙচৌ থক্তা নাউনৌবা মুঙচৌরাজ অয়াংবা। চানা লমথাঙ-থোনা থোইরেলবা। লাইজ ঈপাক মিহুলবা। লাংলেন

কোঙয়াঙ বাত্তোন থক্তা মিংতাকপা মাইও। ঈয়ুম কেগে চাউবা পুঙ। মোইরাং সাংবা য়ায়দা লাইজা ঈরাই তাম্না নুংসাংও হায়না তেংথানয়ে॥

পোইরৈ তানথোঙ ময়ুং কুই।

বাঙম লেমথোঙ মফৈ পাকপা পুঙনা,
তেংথাবদি। পোইরৈ অশৈবা।
বাংঙম তেংথাবা। পলেম মমা
থোংনৈ মবিকশিস্থ পায়মা
লিনকোয়ংগী পোইরৈ লয়শাংথৌ
অহলবা মরাক মরল লেখা
মক্রি লনথোইবা, লাংলেন
চানা ঈথাঙ থোকুম্বা।
পলেম পিমিং মঙালববু।
থায়োই নৈমা থানা
পলেম পিপীশকপা। পম্থৌ
পামিং মাঙলববু। লোয়য়ম
বাংঙম লয়না থানা পম্থৌ
পাশকপা নৈরক থোংলেন
মরিল তংলবা। হুপলেননা
থোমসি লোন। তৌরা লামথনা
পোরোম মত্তাংকা। পোনবী
য়োয়দম পৈনা, ক.ক পোইতু

খোংনরববু। লয়রক চেন্না তান্না
খোং খণ্ডবা। লময়ায় পুণ্ডমিং
মাণ্ডলববু য়াওরৌ শা তোকপা।
তোকমু মৈশাংবা লাংবন শউল কোয়।
লয়পুণ্ড কোয়জ্রাওবনা। য়াকানরববু।
লময়ায় চেন্না তান্না পুণ্ড খণ্ডবা।
চীণ্ডয়া থেন্নাংথেন মিং মাণ্ডলববু
শাফ্রচাক খুচম্বা। লাংহৈচা তেনবনা।
শাফু চীয়োল চল। লাংহৈ য়াথংবিনা।
চিণ্ডয়াথেন মিংমাণ্ডলববু। চিণ্ডয়া
চেননা তাননা খেলখণ্ডবা।
লময়াইকাঙ্গৈ মিংমাণ্ডলববু। ওক্লেন
নাক্ষম য়ালনা। লাইরেন হুমথিল্লরববু।
লময়ায় চেননা তাননা কাইখণ্ডবনা
তেংথাবদি। য়োয়ময়াঙ্গৈ তাউদলবা
কোরও নোংমবু চাউগত্রা চাউদবা।
লোইদাম থামবু শাংলকত্রা শাংলক্কে।

য়োয়ময়াঙ্গৈ চাউজল চুনবা। সাংজন নিংথিবা হায়না। পোক্টরৈ সনা পুণ্ডদা তেংথানবা মাইনে ॥

য়োয়ময়াঙ্গৈ য়াইরেন শিদবা অঙানবা সনা খোম্মদোনবু। চৈনমদনা তেংথানরকএ। য়োয়ময়াঙ্গৈ য়াইরেন শিদবগী। য়াই-খণ্ড মশানম নিংথিববু নমণ্ডমদা। তপ্তা স্না মচৈথোল, থোল-

ঙমদে। য়োয়ময়াঙ্গ তাউদলবা মুংখিল লিক্ল য়াইবু ওইনবা। মালেম মনম শিল্লা মুংশাবা ময়। অঙানবা সনা খোম্মদোনবু তাইবঙ পুনসি চেংঙ্গেন কুইনয়াই। য়াইরেন শিদবগি মরন-কুবু। পুনসি মথোই তোংনা লৈরায়নববু। পিথ্রাইবী অসেংবী শমথুংসা। থোংজ্রাইবী অসাবী তুরওলিংবু। লৈরায়নসে। হয়িচ হয়া হে হয়া হরি হরি।।

২৯। নুমিৎ কাপ্পা

হয়াহে লিক্লাইও। মঙ্গানবোং হয়িঙৈদা য়োইমায়াঙ্গ লাইরেন তাওদনবা নপর্মী কৌরঙ নোংবু খোনবী, মালেম লৈবু লুম্বীনা তাইবং অমম অঙান পোকপী থুনী সলাই হনবীনা। কৌরো নুমিৎমচা মপারী মঙাশুনা শাৎলি হায়দবরা। মপাম্বি হায়া শাংপাদি থাঙঁয়িগুম চিশাৎনা লোয়মোমকুম হায়কংনয়ে। মালেম লৈদা কুমনা দৈশো খোইবিৎ ওইখিয়ে। থাঙঁয়ি অহোঙবী লৌইমোম অচৌবীগী হৈনা মতুং ঈমনা থাংমি মোর্বাসি লৌইমোম মাংদংবী হামুক কৈগাবিবু ওইনা শালওনখিএ।।

মপারি কোননা শাৎপা অমদি কাইরৈ এক্রুমগুম পোম-কনএ। মাদি কোরৌ নোংদা কানা কোরৌ নুমিথাং থাংবল নোংমিথাঙবু ওইনা শালওনখিএ। মালেম লৈদা কুমনা য়ারো-শা শঙাই তুঙাংঙাপী হৈনা মতুং ইননা য়াওরৌ অহিং মিৎপু

ওইনা শাল ওমখিএ। মপান্নী কোননা শাৎপা অমদি মুমিৎ মনাও কাঙ্গদে ঙম্বা কৌএ। মানা হুকমন হামনবা, থৌমন য়াঙমনবা, য়াঙমন কাইমনবগী, থোংনাং য়োৎলু কাওশৌ শোয়া-রুদা চঙনা নোংমললে। য়ারেন থোংজিতোননা লিকোন শনয়া মানববু শাওনখিএ। লবাই কোইরেন থক্কি তাংজা মশমতোননা শাওনলে। লৈন্নুং চেংঙাচা থুল্লাম্লে লম্বু থাঙবা পুরুমলে। য়োইবু বাকচিং লৈমা মোনশা ঙম্বি থালৈ লৌকোইলৈ মতু নিংথৌ অঙৌবা নি থো তারাগী, লাঙ্গোই নাকথং তাই থোমলৈ। লৈবক থোকাই লৈ সবা চুম্বুললৈ। লৈশং তোলোংলৈ, অঙৌববু ওইনা শালওনখিএ। মপান্নি কোম্না শাৎপা অমদি। তাও-জুইরেং অহনবও তৌনা কৌএ। মপান্নি কোম্না শাৎপা অমদি সনা থোম্মদোন অতোনবও তৌনা কৌএ। সনা থোম্মদোন অতোনবগা, মশাবী তাওজুইরেং অহনবগা মুমিং অনি চয়োম্না। থবি অনি লেংসিন্নবা পাল্লবগী, তায়ম মীনাই ওইবনা, হৈজ অওই থিকদে হায়না বাওইখিএ।

থ্বাই মুংজেংবম পিবা য়েকমা হাওদংলা নমু পোংবরাজ অতনবনা ঐদি তন্না লৌচেন পোৎসুং অনিরক চেন্না তান্না হলবাই রে। লা বন উয়ুং সিংজন পোৎসুং অনিরক চেন্না তান্না ওন্দেএ। ইপান্নি হাওদংথুবু তন্না চবুম শাইনা নাওয়োকক্দে। ইমোম হাউদংহনবু লাঙ্গোনফদে। মোমমু তালোই ইরুম্বীবু শমু ওই-রম থানা লাঙ্গোনকদে হায়না বাওইখিএ। থ্বাই মুংজেংবম পিবানা কোরৌ মুমিংমদা, মোমমু তালোই মরুম্বীবু, নপাম বা-

নিরুও। নপাম সেলোই লংমাই বা, লংমাই খুজিন মচুম বাবু বানিরুও হায়না থৌসিংখিববু মপাম বাপীনঙামদে। কোরও মুমিংমদিং মপুম থোংথোং কারন বাবু বানিরুবদি বাপীনঙামগ্রে।

কারন নিংথৌ সোকপানবা, মচিং চীংদা (মচি চিন্দা) পানবা বাবু, লাংলেন বাপান য়ান, লোকলৌ তোনথপলৌ, লাংলেন বাশসান কোঙয়াঙ তংথাই লৌ, অউপ্পা লীগ ওই। অরোংবনা তেনগা শানা কোরৌ মুমিং মঙানি লিসেমএ। কোরৌ মুমিং মঙানি লিফৌ তেনকৌথিএ। কোরৌ মুমিং মঙানি লিতম তেন্দমথিএ। কোরৌ মুমিং অমদি পোনবী চিরোন চল্লিবা সেন্দাং শ্রবান তোংববু পান্দম্ববু পাচুরে।

কোরৌ মুমিং অমদি থুম্ন মানশিক তেরা মমা পুজেং লৈনৌপিচা কোংয়াঙরা থুম্ন চিংসোং লমলৈনা, চেক্লা থারংবিবু কোঙয়াঙ বাশ থালফৈথকী পান্দম্ববু পাচুরে। কোরৌ মুমিং- মদি তালোই মরুপ্পীগী চোয়াং কাওবী মনাসিবু পান্দমববু সিংলেন লৈয়াই থাইনা কাপথাইরে। কোরৌ মুমিংমদি মোনমু তালোই মরুপ্পিনা লৈফঙা পোকতেকলৈ, লাইজা, ইপাল্লাং, ইমু ময়োনসং, পুলাং লুরোইথোংনা, লৈরাই হুইসোল কারকপবু খ্বাই মুংজেংবম পিবানা, লিবী থমোইশিং, লাকা তেনমৈ লাকনা পান্দম্ববু পুলাং মথাই থাঙনা কাপথাইরে। কোরৌ মুমিংমদি খ্বাই মুংজেংবম পিবানা, তালোই মরুপ্পিবু তুম্নং লংলাম্ব, লংস্নং থোংগা তিংও। হায়না পাওমেন বাগী, তালোই মরুপ্পিনা তুম্নং লংলামবু লংস্নং থোঙ্গা তিংলবদা, য়েকমা

হাওদংলাঁমা পান্দম্ববু লংঙুং ময়াই খাইনা কাপখৎলে। কোয়ৌ নোংবুম্মদি পাওমেনখিএ। মোমম্থু তালোই ইক্লাম্ব হাওম্থু চংখোনম্থু শাক্কবিও। হয়েং কোয়ৌ মুমিংতি, তম্না চয়োমও। বাংলৈ খোমহাললো। ঐদি ওক্লেন লাবা লৌচংবা, লাইয়েন লাবা লৌতাববু লৈএ, য়াংদৌ শান্নম লিরুগে হায়না পাওমেন বাগী তালোই মরুম্বিনা তম্না চয়োমলে, বাংলৈ খোমহান্নে। খ্বাই মুংজেংবমা, মোমন্ তালোই ইক্রমবি হাওম্থু চংখোম্ নংদি, এলাং থৌচত্তা সিংজং বাকোইদা নত্তা খুনবোইকুনো' লৈকাই খাম্বি মৈয়ৌগুনো, তয়েং খোংফাং নামুংনও। হায়না পাওমেল্লবগা মুমিদাং তালোই লুমদিম্না, চয়ৈ য়াকুইত্তে, মোলাং তপ্তাই খানা থেঙ্গোইখিএ। ইম্মুংনা মোইগে, লোইয়া তময়া তানগে ,তৌগুম্নবদা খ্বাই। মুংজেংবনা লিম্নী খুত্তাম্থু, তেম্দোং নমদা পোমা ময়ান থৌচংখিএ। সোলাই নাকপকমা লংমাই চিঙসামা পামেন উখোঙ্গ খাদা শানথুপলে। য়োয়মযাই মপা- বি তাও হুইয়েং অহনবদি লৈমুয়াবা মসোংচাও, লৈহাওয়াবা মঙান নাইনা খিংখিং খেংগায়কপবু, পামেন উখোংলোন, ,কোঙ্গয়াং খাত্তোন লোমগে তৌগুম্নরুবদা খ্বাই মুংজেংবম পিবা একমা হাওদংলা, নমু পোংবম্নাজনা, লিম্নী থম্মোইতিং, লকা তেনবৈ লাকনা, লিচিং মাকোং ফংনা, তেনবাইখিববু তাওহুইয়েং অহন- বদি চৈয়োললে।

লাঙ্গোই মথুনেং কোয়ৌ নোং শগোল অপাইববু লাবা খমুং খিংমা তেনব াম্লবগী লোইয়েন খুনবীগোক্তা লোফলেন মঙান

নাইনা লুতুরে। লোইবী হাওয়াম পৈ, পাথং য়োমলোই হৌ, হুরা য়োমদম পৈনা, শরেন শানৈনা. রাংলৈ য়ুনৈখিএ॥ য়োয়-ময়াই সনা খোম্মদোনদি মশাবী তাওহুইরেং অহনববু চৈবীবা খাই মুংক্ষেংবা বাইরা মতেনচা, নাওবা খোইজু তেনবু শোংকিরবগী তুবি ময়ামুং, লাইরেন মকোয়ুংদা শানথুপলে তুবি মৈনা কোননা খোথামলে। পোইরি চিন্দুম চিন, বাঙম মংহুমমং থরায় নারন পাই। পোইরৈ সিসল লৌকুমদা মীনাই লৌতাদা সিংজা বাকোইদা, এলাং খোচত্তা, লম্নু তুবু মসেন, তরেং লাইকম মসেন, নারোন সিংলোয়না পানগো তৌগুম্লবদা। নিংথৌ পোংবা তরামনা বা তানৈ, লৈমা পোংবা তরামনা খোরাংএ।

কোরৌ নুমিৎমদি নিংথৌ পোংবা তরামনা সনা খোম্ম-দোনগী মার মখোংগুন লিববু, লিংখংদববগী মালেম মনারোই লিববু লিথংত্রবদা, য়াংলৌ লম্মখাংদা হাইকু লৌকুম্বিনা হাইচেন লৌতাবিদা পাওহংতামএ। খোইনৌ ইতা-ও, লোইরেন খুনবি-রোক্ত। লোকলেন মঙান নাইবদি—কবি মৈনো। লম্নু তুং মৈ, তরেং লাইকম মৈ, হেস্বা পামচাকমৈ। থাংজি উগী তারমৈ। সতু তেকচাক মৈরা। হায়না পাওহংববু। হোইদা খোইনৌ ইতাও। কবিগী লম্নু, তুবু মৈবু নারুগবনো। তরেং লাইকম মৈ। হেস্বা পামচাক মৈ। সতু তেকচাক মৈবু নত্তেএ। য়োইময়াই সনা খোম্মদোন অতোনবনা, মশাবী তাওহুইরেং অহনববু চৈবীবা। খ্যাই মুংক্ষেংবম পিবা বাইরা মতেঙা, নাও-বা খোইজু তেনবু, শোংকিরবগী তুবী ময়ামুং, লাইরেন মকোন

লুং, লৈমুয়োন তক্কক, লৈহাওয়োন মণ্ড', মাংলেব 'লখন তরেং নোংশানা, শানথুপলবগী। সনা খোম্মদোনগী, নোংশা তরুং মৈনে হায়না পাওথুম্বরু নিংথৌ পোংবা তরা মকন নাক্ত বকগী থিংলৌ নিংনা ত্তেনা ময়াল ওন্দেরকলে। নিংথৌ পোংবা তরামনা পাওথেম্নকএ। লৈমা তরামও। চকপা লুয়াং মাইবী খোমলেন মংজং থৌবীবু পাওকৌরুও। হায়না পাওমেল বাগী, লৈমা তরামক্লা চকপা লুয়াং মাইবী খোমলেন মংজং থৌবীবু পাওকৌরুয়ে। নিংথৌ পোংবা তরামনা পাওমেল্লকএ। চকপা লুয়াং মাইবী খোমলেন মংজং থৌবীও। সনা খোম্মদোনবু তুবী মকোয়ুং, লাইরেন ময়াঙ্গুংগীবু পাওথেমলুও হায়না পাও-মেন বাগী। চকপা লুয়াং মাইবী খোমলেন মংজং থৌবীনা। মণ্ডপোং চাদং লুদা থোংনা খোমলেন মণ্ডজংখিববু। সনা খোম্ম-দোনবু, তুবী ময়াঙ্গুং লাইরেন মকোয়ুংদা লমওক্লকরে। চকপা লুয়াং মাইবী খোমলেন মংজং থৌবীনা য়োইময়াই সনা খোম্ম-দোন অত্তোনবও। নংনা সানথুপখিরবগী নপোইরৈ চিন্দ্ম চিন, নবাংগুম মংহুমমং পোইরৈ মীশল লৌকুমদা, মীনাই, লৌ-তাদা সিংজা বাকোইদা, এলাং থৌচত্তা, লম্ব্ তুবু মসেন, তরেং লাইকম মশেনবু নারোল শিংলোয়না পামগে তৌওয়ুকলে। তুবী ময়াঙ্গুংগীবু কায়কও। লাইরেন নকোয়ুংগীবু তাক্লকও কায়না পাওথেমববু সনা খোম্মদোম্না চকপা লুয়াং মাইবীও, নপোইরৈ খ্বাই হুংজেংবা নাইজাগী বায়রা মত্তেজাবু শোংগিএ। হুমিং ইত্তোম খোকওমলোইএ। হায়না মাই বা কল্লবগী চকপা লুয়াং মাইবী খোমলেন মংকাওনবক্লে। নিংথৌ পোংবা ১০

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। নিংথৌ পোংবা [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নোংশাপাম্বা [illegible] [illegible] [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়না [illegible] [illegible] নিংথৌ পোংবা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাওকৌরকও। হায়না পাওমেল্লব-[illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লেংনাও খোঙ্বীবু পাওকৌরকইরে।

নিংথৌ পোংবা [illegible] পাওমেল্লকএ। [illegible] [illegible] [illegible] লেংনাও খোঙ্বীও, [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাওথেমলুও হায়না পাওমেল্লবগী [illegible] [illegible] পাওমেল্লবিএ। নিংথৌ-পোংবা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] পাওথেমলু হায়রবদি। পাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। পরৈবনা পরৈও। [illegible] খোংবনা [illegible]। [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] খোংবাই [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]-[illegible]। চেংথৌ [illegible] [illegible] [illegible], কিমু [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] নাইবনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তোলোং [illegible]। [illegible] পাও[illegible], নিংথৌ পোংবা ১০ [illegible] পাগী পারম [illegible] পাখো: ৫ [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] পাখোম ৬ খোমলে। পরৈ-[illegible] পরৈরে। [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ৭ [illegible] ৭ [illegible] নাইবগা [illegible] [illegible]

মচেং কাইবে পুরৌমাং, কিম্‌ বৈবান্‌ম চুপ কমবি টৈলখাম্‌ গেচ্ছৈজু তোলোং গরিক-া দাংখৌ জোকাং জোটিরবদা। হুমকা বাথেম-লোগো মজুপাং চাং থুলা থোঙনা বে'মলেন মজচংগিমু। রানা খোম্মলোনবু ফুগী মকোমুং লাইরেন মশ্নাপ্লুংদা নমঙতুকরে। জমকা খাঙম লোগা জোকমাই সনা খোম্মলোনবু থবি নেংলোকরেন মগানবা মাজেম লাংকথৈ গথৈবা নংবু নপাল কোজৌ লোংবু থোলবা মালেম দৈজু দুমবা জু। গন লিনলগা ইগিদি লোংলোক মহৌ দৈনাই পাজ নিংথৌ জয়, গলেম পিথাঙলিয়া নাঙরোকপিবমৈ। থৌহু মুংলাক থকা বাঙ-মৌবা, চান লমথাঙথৌনা থোইয়েনবা। লাইজ ইপাক থুক মিংথোনবিবা। লাংজেন কোংস্লাঙ বাজোন-থক মিংজাকপ নংমু, নলোপাইকে জিলদ্‌ম চিন। নবাংঙম মংছুমমং। থবাই নায়ন পাই। লোংইয়ে মখন লৌকুমবা মিনাই লৌতাদা লিংজা বাকোইদা, এলাং থৌচত্তা লাথবু তুবু মশেল, তরেং লাইক্রম মশেন। না-রোন সিংলেংননা, পালগে তোকুমকলে। তুবী নয়াঙ্গীবু কারকঙ। লাইরেন নয়া মুলগিবু তালকঙ হায়না পাথেমবু তমকা বাংঙমলোমনী কোলোই ময়াথংবু মাই মাকদ ঙমদখী, তুবী মমানুংগিবু কারকএ। লাইরেন মকোমুংগিবু তালকলে। মচেং কাইরে নাক্ত এমনা, চেক্রা থোংমমক্ত, লৈমুমাবা মশোং চাঙরকলে। মচেং থোংমমক্ত লৈহৌয়াবা মতান নাইমক্রে মচেং কাইবে নাক্ত য়েমনা চেক্রা শাগল তুকাংহু। মাংলেন দুকাঙ থোক ঙকশম তোংদম হাই। শমু থোংবু থিয়া থোংথৈ-মবদা। মোইমম্লাই সনা থোম্মদোমদি তুবী মকোমুং লাইরেন

মমাঙ্গুংদগী খিং খিং খোজারকলে। নিংখৌ পোংবা ১০ মক্ক ক্লাওসি ওমগা চিংনা লোইবী চীংবুরোই, হেনবা ভমবু থনব পুরমক্লা লেংনা কাইনা পুরঅওমএ। পুরুম তাইবীরোক জৌন কৌএ। নিংথৌ পোংবা ১০ মনা য়োয়ময়ায সনা খোম্মলোনঃ মিৎয়েং শানখৈথিববু সুমিৎ মমাই মকএ, থবি মমাই তাইএ, সুমি' থবা মচুপ শাবু তাওথংসে হায়না তুবী য়োইনোংদা নোংদ লাইরেন পাথংবগী মমাইবা কোন্দে নাকথং মাই নংগা। কেগে মমাইবা থিঙ্গোল মোরি কৌবিরাচা, মঙলি মঙলাং চুম্বা, শোইব য়ুংবা মাই, অমাই কাইজবা নংগা লাও-ও। য়োয়নয়াই অসিব সুমিৎ মমায় মকয়ে থবি মমাই তাইরে। সুমিৎ থবা মচুপশাবু ভম বীরো হায়না পাওকৌরবগা তুবী য়োইনোংদা নোংদা লাইবে পাথংবগী মমাইবা কোন্দে নাকথং মাইনা শরেন য়েৎলম কম। কেগে মমাইবা থিঙ্গোলমোরী কৌবীরাচা লাংজেং লংমৈবনা মঙলি মঙলা চুমবা শোইবা য়ুবা অমাই কাইজবনা শমু ওইরম ফমনা য়োই-ময়াই পুরুম তুইগী ঈনা শান্দেংবিথিএ। পুরুম তুইগী য়ি লাংবুম চীংজাও ঈ. চীংশাং কোইরেন ঈ. থাংজিং শান্দেং ঈ কেগে বাইথু য়োংবী (লাকপী) লোকলৌ ঈ। মোইরা লাঙ্গশম থানবী থামলৌ ঈ। কোরেক অনি শোক্কোক ঈ নান্দ অনি চ'ইচিন ঈ (চৈজিনঈ) চেক্লা পোনবী থিগ্ অমুবন খুবাং কৈচে ফামন হোংন লাঈজ ঈথা খোং। কেগে বান-বীসুনা ইবান খোং। মোইরাং থিনবীসুনা ইভনথোং। কেগে মানবা শঙ্গন ঈ।- বাইথু থুলোং ঈ। থরাও লমশং ঈ। শোঙ্গ-থক লমথং ঈ। ওচিং শাওন ঈ। মমাই অবাং লাইনা পাংনা

চেনবা ঈপা। কাইরৈ পারোন পুরৈন লুম, এনবাং, কাইবং, লৌ-হ্নি মাহাকপা পুংকাই, ভালোংবা। সিদা, নাকং, নাতং, নাথোই নাপী, সিংথী, নাপু নাশৈন, লৌদ্রে, চাদ্রে, উথোক, বাথৌক, ভাইরেম য়াওবা হুমিৎ থবা মচুপ শাবু ভদ্বীরবদা। হুমিৎ মমাঙ্গী লূরকলে। থবি মমাই হেললে। সনা খোম্মদোন অতোনবদি মশাখী ভাও-ছুইরেম অহনথগী য়াইথং মশানঙ্গু তমলোবা। তপ্তা মতৈথোম্বু খোমলোবা। পাথাং য়ায়াই কোনবু কোম্লোবা সনা খোম্মদোনদি লাইজা হনখিসনো॥

নত্ত হেম্বুংথৌ, হেবেম্মশিংদি, হুমিৎকুম লূনরগে থবিগুম শেংনরগে॥

৩০। চুপশারোল

হে তেংবানবা মপু॥ হে গুরু থমলাং ইপা লাই। ইছরম ইপুলাইশিংনা হৌনদবা লমচং নত্তবমু' কম্বিনমো। হৌজিক্কি চাঁংথু নংগী মরমচংপু হায়গে। লৈশেম হুংশেতৈমগী বানে। লৈভাই নোংদাইতৈগী বানে। চীংথু থংদবা নংম্ব' থংহৌবো। থোইষুম উদবা নংম্ব উহৌরো। পোইরৈনা চুপ শাবরু হায়গে। বাভমনা চুপশাবরু হায়গে। লম পুম্নমকপু পুম্বিবা। হে গুরু হনবা কোক চাওবা। হনমু লৈথম, হনবা হায়না কৌরা হে গুরু নথোয় অহমমক্না সাথি ওইবিও। হৌজিক্কি থৈম্বমনা চুপশাবরু হায়গে। হুম হৈ ও। শাবোই "লানংসাই"

মতিন মকাংলেন। তিলনৈরগনো লাইরৈগনো। পাম্নরসে শেং নরসে। মাপন তুপী চিংনিংনাং। নিংনাং য়াংসি্রক। অপিসানা য়াকৈ নিংথৌবা চম্নুনা পামলেন লোইচিং ওয়োকনা। ফুরং মাইচি খুংশা শমপুম বাংলোক গাচিং গাবাচিং। য়াম্বা থাইবোকচি উরি বাওরী চীং। মমুং ওংবী চীং। মমৌ ইনপিচীং। পেম্ন খুময়োমপি। খুময়োমচীং। বাংপন কানা পাওগোচীং কোংবম ফ্রাবী। স্না থোমহানচীং। চোইনৌ লাংমৈ চোইকেনচী শমতিং ফিশাভম। শেল্লোই উজা পোক্তা প্যংচীং মভোন লংমাই। পাইরংথেন। মশানৌনা লিরি তেনগা থোং কাংকম য়াতা চিকনা থাল্লে লোতাবাই। মশাবী মচেমনা হাও-শম তুংথাংনা। থাংলেন লাপান হাই। য়োংনৈ নোংথাংকুপ বাহি কোকতাইশম। তেংপাক লান্ন কাংনা থালৈ লোর্ম্মে। মচেম পাওমেন লৌলাংতৈ। চীংমুং সিথারম মোই-কোইচীং। য়াবানা নিক্তা চীং। সেনলোই চীংশা মাপর মকপূ পুমনা চন্না। অসৈনবা চম্নু তিনলৈ লাইরৈরগনো। থিশে থাশেংনরসে। হুম হৈ ৩। মিংলু মাইরুনসে। তিনকোক লাই কোকনরসি। মরাম মপা লাইবু ভাইগে। মতু মপা লাইবু ভাইগে লমগা তুগা, তুগা, থোংগা থোংগা থবাই চেংভা য়ুহান। কোরৌগা য়ালেম লৈশাচিক। থাবা, থায়াই, থাভোন,। ওক্লেন লাইরেং ইসা, লমশা, ভোকপা, কাম্বা, সৈয়ু, লৈরাং। মুওক, পাইপং স্যাতুপ, সাঙাং, খুপিং, খুপাই। য়োংমু য়োংহেন। ৭ লাইগং মেন। তা সোইতা। উরি কোংকাং লাই মৈকক লাইমৈ-সাং। মরিয়া কমপাঙা। থারোং লাইরেন। লৈমা তানম্

থিক সেংতম নিংখৌ খৌগাংবা। খৌরানপিচাক খোংজোমনুবী। ওকপুরোই তাওহুইরেং লৈপাক নিংখৌ অমম অঙান পুন্নমকপু তাইরবনে। হুম হৈ ৩। থিশেং থাশেংনরসে। ফত্তু হৌদি থুনাম নাঙ্গৈঅচৎ অওক। থিকখৌ থাখৌ রানা ঙৌদোং। শিংশিৎ খৌশিং। অরুম অথং কোষয়েক ঙাইরং। পুকচৎ ইফাই অপাৎ অনোম। অপোম অতং পুন্নমক্তি হাওরৈথানা পাংবা লমদা হোইথরগে। ক্রুক্কান কপ্বী মনম চুংশা য়াইবী মমোম য়াম্নুং মূনা সংবিগী মথিক মথা থম্না রাইথুংলুরে। হৌজিক্তি অফ মুংঙাইবা কপয়াং তাংয়াংবা পুনসি মুংশাংবা উরুম রাহোংবা। চেংজা কোনখিনবা। শেন্নি মখোং পান্দবনা চংশিল্লকপা যোংপি মশা পান্দবনা প্যাইশিল্লকপবু কৌব্রু অরাং পাংনা হোইগৎলগে। থানা হৈবম চানা থানা হৌসে। য়ানা হৈবম চানা য়ানা হৌরসে। হে গুরু॥

পোৎচম—য়াংকোক অহনবা ১। থুদৈ ৩। ফিরাং ১। নাহৈনবা চক্ষু ২। তাইরেন, পুংফাই, য়েনবংনা নাহৈও। কেগাম ১দা য়াম হাপও। য়ামদা য়েরুম থিল্লো। চক্ষু মচা ৬তা চেং, য়েনশাং হৈকল, লাকল হাপও। লফোই চং খোকপা ৩। চেং মেরুক ৩না চেংবা হৈও। থুম্ব খোঙ্গান ১। তুমনৌনা লফুং ৩ শাও। লাংথৈ নালৈ হুল্লো। য়োৎ, হুং, লৈপাক, খাংমৈ শোকনি। মথা লাইন্নুরা ৭। অরাং লাইবংখৌ ৯ মা, নোংচুপ মপা মপু পোকপা ৩ মক্তা শিন্নরবনে থংও॥

তা ওঁ হা য়েং খৌমি লোইপিতেং। উঙাংথৈ বাঙাংথৈ। চরোইনা

খোংজুমদৈ য়াম্বিন্না য়াকাদৈ কৈয়েল্লো য়াখোকদৈ। জাইরেম্মো, পুংকাইদনা, য়েন্নবংনা হৈরবনে। পাম্নরসে শেংনরম্মে লুনারবনে হে গুরু থংও ॥

৩১। মাইবরোল ৫

হা হোই, নম্সর, নবাইরা, তিংদাইব; য়াংদাইবা তিংফাংপা, য়াংফাংপা, তিনথুংবা, লাইথুংবা বায়েম লালেম, খুজিন লাজিন, মিচিন মিপাও, হাইখি সোনাই, অয়াল অহুই ফুংদাক্লমগে।

হা হা হোই নোংদা লাইরেন পাখংবা মরুম্বি লাইশ্রাগ লাইরেনলোক খুনবীয়োকত থামোইনা মুমোইনা, মপারী খুইসা য়াইতোনশাং, মপীয়োন মপায়োন, পিওংলা পাওংলা, পীসাইরা পাইসাইরাববু। মমাইবা কোন্দে নাকথং মাইনা, হুইমুদো মমুংলো মেলাং তনবা মনাকমেং, শত্নু মানতে ফোইনা চুপসাতম মোইকেংতম, চিলফুতম, মাইদাতম খিকসেংতম থাসেংতম মিংলু মাঈক তমববু চুপ ওইনদে লাইওনদে। য়োঈমমু মহোয য়োঈমমু লাই মতেম হা উং হা যেং ॥

তাংজোই য়োঈমোংবদি সম্লোং লোকপুংবু য়োক্ত মতৈদো মনাওদো। শকমসিন শামসিননা শাসিননা পাসিন্নরববু। মাইবা নোংচুপ হাওয়োং মাইনা। হুইমু মমু লো, য়েনমু মখিকফাং, মেলাং তনবা মনাকমেং সতু মানতেকফোইনা চুপশা তম মোইকেংতম। চীলফুতম

য়াইদাওম। থাংশেংতম। মিৎলু মাঈরুতম্বু। চুপ ওইনদে লাই ওইনদে য়োঈমন্নু য়োইমহোঈ, য়োঈমন্নু লাইমতেন হা উং হা য়েং॥

ভাংঙোই য়োঈমোংবদি চীংগেল হৈরে, তমগেল, হৈরে অতোম লোই, অমেললোই, য়াবালোই পোদম লোই, পল্লিৎ থোংলিৎ লোই। লৈতেতোয়োৎ নাফানথাঙ। লিক্লাংথাং, নাথনখন। তুলাই কুপ, তুলাইথা। ফিবুল লাংবুল লোই। ফুঙ্গাপাল মৈশালাং খোকয়োম তায়োমলোইবু। লোইচম্নবদা মরুপ্মি লাইতোংখু লাইতো হন্না। এলয়োম খোমহানগা। সিংপাক মৈতাইগা, চহুম চগানগা য়ুহি চাহিগা। মেরা মেন্দোংগা। শাজং লালংগা লাহৈবী কক্লেন মিঙম্বু। কাইনা হুনববু লুম্নবা মমাইবা থিঙ্গোল মরিংমাই, শঙ্গোংবাবু মাইনা হুইমু মম্লুংলো এনমু মথিক ফাৎ নেলাং ওনবা মনাকমেৎ, শহু মানতেক ফোইনা, চুপশাওম, মোইফেংতম। চিলফু মাহদাওম। থিকশেং থাসেংতম। মিৎলু মাঈরুতম্বু। চুপ ওইনদে লাইওইনদে। য়োঈমন্নু মহোই য়োঈমন্নু লাইমতেন হা উং হা য়েং॥

হাওয়েংচীং লাইয়েংচীং থোংনাংচীং মাল্লেচীং। লোলোইহুৎ, চিংমাহুৎ, তালোইবী, মরুপ্মী চিংজে কোই, কোইনবী, সংমৌবী, য়ুহোবী, ১০ বি পিকুবিনা শম কাওরে বুকাওরে। পারিয়ান, শ্রীয়াম, য়ুম্নাক য়াম্বু। লোনহৎলে খিলহৎলবু। হয়েং সোই মম্লুংসোই মম্লুংসোইরগা। ইপারিনে ইমোমনে, কৈদাথোং তান্দখোং, থজাইচুপ লেংলোইচুপ। শম্লাংনান তোনগানান। মিকতম মিরাও তম্নববু। মমায়বা য়োইনাও তিলাং

পোকম্নুনা, হুইমুদো মমুংলো, এনমুদো মমুংলো, মেলাং তনবা মনাকমেৎ শান্থু মানতেক কোইনা চুপসাতম মোইকেংতম। চিল-ফুতম মাইদাতম। থিকসেং থাসে তম। মিংলু মাইক তম্বু। চুপ ওইনদে লাইওনদে। য়োঙ্গীমনু মহোয়। য়োঙ্গীমনু লাইমতেম হা উং হা য়েং॥

উইথক পৌমাথক। লাংতিংথক্ত, ইমুপোক ইনাই থোকনা পৌয়োন নায়োম্নরবনু। মমাইবা পনম য়াংকোকপনা, চেংলো মিংথিংলবগী, হুইমুদো মমুংলো, এনমুদো মথিক ফাৎ, মেলাং তনবা মনাকমেৎ সন্থু মানতেক কেংইনা চুপসাতম মোইকেংতম, চিলফু মাইদাতম। থিকসেং থাসেংতম্বু। চুপ ওইনদে লাই ওইনদে। য়োঙ্গীমনু মহোয় য়োঙ্গীমনু লাইমতেম হা উং হা য়েং॥

৩২। শৌবোল লাইরেম্মা লৌতারোল
(লৌতারোল অসি অমাইবতনা শরুনি।)

হোইরৌ হয়া ও হয়া সঃ ও ই সঃ ও হে হে ও হে হুপ হে ও। লমলেমমদা হেয়িও। বাইরং চেংলৈ লমহন্দা হেয়। লম্মাবা নংবু চৈনম লমলোইদা হেয়॥

মালেম হৌথৈগী লৈগা হৌথৈগী। কোয়ৌ হৌথৈগী নোংগা হৌথৈগী, পোইরৈ শেমথৈগী, লৈগা শেমথৈগী লহান বোং হুয়ি-থৈদা ভাগি নিংথৌ য়েহেনত্রিনা নিংথৌ। মপুথিবা কৌনা

পোক্লবদা, মপন নিংথৌ মপুথিনা কোয়ৌ লুমিংমদা থাহমলকএ। চে ইমোম শোবোন য়াক্লেন চম্নু, সনা খোংনাং লৈমা শানৌ নচিন ননাওবু। ইপনগী লোইদাম কুমদমলোদা থালৈ লোতা-কুও হায়না পাওমেন থাগি, মপন কোংলোই ময়াথংবু, মালেম লৈদা তাকদবনা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা শোবোন য়াইরেম চম্নু, শানৌ মচিন মনাওনা, লমলেন মদাইমা হৈরেম চৌং, থুং-জান লাম্নুমথেন, শোবোন পলেম য়াইবু নাইতেননা, থাল্লে লোতাগে হায়বগি লাংলেন কোংয়াং থাক:কান, শাফবা থো-ইর নি হুম্পা, তেংনৌ য়াফাকপবু, য়োংলৈ লোংনা ফান্না লম-লেন চেংলৈ উমুংতা, মপন লোইদাম কুমদম লোদা থালৈ লো-তাখিএ। হেয়ো য়োইবু থাংচেং মচিলাং, অশৈ খোনমাম্না। য়োইময়াই তাওদনবা মপন থৌবি লৈমম্নু। লাইরেম্মা শাফবি, সনা লেনগে ইগি, নোংপোক থাগি নহা শাফবদি। নোংপোক মথাইতা, থাগি লোইমতোন, অথা মচংলম, মুমিং সনা মৈ-কোইরমগ। লমকা হোরকলে। থিং থিং কারকলে হায়না লৈশকনাবতৈদা, নোংপোক থাগি নহা শাফবা লাঙ্গোই শগোল অপ ইববু, শম্নু খোংওইনবা, সনা কোয়ি চুঙ্কুন থুংম্নুনা, লুপা হংজৈনাবনা। শানৌ মচিন মনাওবু পাওহংলকএ। শোবোন য়াইক্লেন চম্নু, শানৌ নচিন ননাওনা লাংলেন কোংয়াং থাক-কোন তকোক হৈরোই নাইবু, থুবাক তিল্লাইমেন, য়োংলৈ নোংথাংকুপ, থৌরৈ তোনগালং হাক নোংপা ফৌনা, কোয়ৌ লুমিং মজানিবু থালৈ লোতাবদি তংপাক মপুম কয়া শুমবনৌ, হায়না পাওহংববু। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা, শানৌ মচিন

মনাওনা, কোরৌ মুমিং মঙানি ভেংপাক মপুম মশীং থিঙম-দরবগী, তাংজা মরু লুরা হুইয়াই শেংগোইখিএ। য়োয়ময়াই তাওদনবানা, নোংপোক খাগি নহা শাফবসুং নোংচুপ ঙমথং-নখিরে। শানৌ মচিন মনাওসু থাল্লে লোকা যাংলক্লবদা মপন নিংথৌ মপুখিবনা পাও হংঙমএ। হে শৌবোন য়াইরেন চন্নু, শ'নৌ নচিন ননাওদি, করিগী থাল্লে লোকা য়াংলক্লবনো, হায়ন' পাওহংববু হোঙ্গৈদা ঈপলও। নিংথৌ খাগি নহা শাফবনা, কোরৌ মুমিং চুপনা থাল্লে লোতাববু, নয়োম ইবিংঙানা ভেং-পাক মপুম মশীং থিঙমদবগী, পাওশুম ঙমদনা, থাল্লে লোকা যাংলক্লবনে। হায়না পাউশুংলবদা। হে ইমোম পেম্মাও। নপন নিংথৌ মপুখিবা ঐবু নোংমন্নবরা হায়না পাওহংবা নরিঙেনে।

ইমোম করিগী তাংজা ইকায়রুবনো। হযেং করৌ মুমিং মদি, নপল ঐসুং থাল্লে লোকুমগে। হায়না পাওহংলবদা, কোৱা চিংলেন নোংগা শোয়ররবদা। মপন নিংথৌ মপু খিবসুং, থাল্লে যুপুংথক্তা ইলুম নাওশং অমা খাগা থা, ইলুম শোক্তোংঙা অমা থক্তা থম্না ঙাই থমলে। নিংথৌ খাগী নহা শাফবদি নোংপোক মবাইতাগী, পোংলেন নাতৈ কাংনা লাঙ্গোই থুরুপ মানবন হোৌরক্লবদা, থাল্লে য়ুপুং থক্তা, শৌবোন য়াইরেন নিং-থৌ চন্নুনা, মপান কেংলোই মপাওতাকী পাওহংলকএ। নিংথৌ খাগি নহা শাফবা-ও। কোরৌ মুমিং মঙানিগী, লা-ঙ্গোই নথুংনেংকি তাংজা মথোংকুনবু কয়া শুবনো, হায়না পাওহংববু। কোরৌ মুমিং মঙানিগী, লাঙ্গোই মথোঙ্গুলবু খিঙমদবাগি নশাবি নিংথৌ খাগি নহা শাফবানা, তাজা ঈকায়

শিথোইদাখিএ। মপল নিংথৌ মপু খিবু শিগবরা শিদেও। ভুরেন রাইখুবিচাবু শালওনখি। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা শৌবোন য়াইবেন চন্থ শানৌ মচিন মনাওগা, মপাবি নিংথৌ থাগী নহা শাকবগ। খোইয়ম নখোয় অহনবা চিজোই পাও-রয়হুন', মালেম লৈহৌনবকত্তৈগিবু, চিংগু কুমগাওদা লোইদাম থাজা রানিল্লবা, লোইদাম শক্তিকু কুমহৌ থাদা হুমিং চৈচেন্নবা অসিদা, শানৌ নচিন ননাওবা, নপনগি লোইদাম কুমদম লোদা থাল্লৈ লৌতাগে হাইবখি, নদাকরেম পোকৈরে থুমা হৌ তম্বুম নাইজাতিন অসৈ খোংকাংলেং, অমাই লাকলৌশিন্না, চিঙগু ন-রল্থ খোইয়ম নমাহবা, অশৈ লৌতা য়োইরেন লৌতা মৈনা হাওসি ওমগাচিংনা কোংয়াং থাংতপ পায়, য়োংলৈ নোংথাং-কুপ, ভেংপাক লল্লুশা, হাক্ক নোংগা ফৌ, পোয়োম মতাশম, কাইথেং মরুতুপ, য়ুপা থুমন তান, য়াংদৌ মমৈশম, বাহি কোক-তাইতুপ, লৌরি শুংদাইয়ান, পিরেন মচি খোয়া, চিংগু নপাও-শাবু শৈশকপা, খোইয়ম নপাও তোইবু ভেংথাননা থাল্লে ওমথুংলেদা হে য়ো।

য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা শৌবোন য়াইরেন চন্থ, মা-রেম লৈহৌরকৌ, কোয়ৌ নোংহৌরকৗ, শিদবা মপাঙ্গা, নাদবা মউ লি.বি, নপন নিংথৌ পুথিবগী, লোইদাম কুমদমলৌ অসিদ", মাল্লেম লৈপাক এনমসিনা কেগে মোইবাংচাদি শিদকৌ নোং-য়াই থুমনচাদি নাদকৌ, নোংবাল লোইজা য়াংবা লোইমোম ফৌয়ম তরেৎনা থাংয়ি চোইনা লং। মামজেং লৈকুপ শিরলে। য়োইবু নরনকুবু নদাইরেম নমু মিপুম্ববু শেল্লনা, থাংয়ি মপান কাবা, লোইমোম মহৈ চুম্বু লনকুবিরমও।

। ইপারী ইমোম ওক্লবা কৌখা কাওম্বুব তাজবসে। চিং-
থোং ইবুং ওক্লবা লিংলু খবাল লাংজেমসে। হে খোইথোম
লাইরেম্মা লৈবোম য়াইরেনচহু, নদাইরেম তাইবংপান পুম্মবু
থৌজাব তাহেন নাইদবি নংগা, নশাবনৌ মশাতোন সনা থোং-
নাং থৈমগা, শান্নৌ নচিম নমাওদি চিংভু লাংওন মরী মক্তা শ্মা
কেজ্ব থৌরাম্বি, কাব্লেং য়োংশিং কাদবি, কমল্লা চেংলৌ শক-
পাম্মোংম্মু খুরা লাংজেং মথোক্লকপিবু ওইনা প নকবি। শানৌ
নচিন ননাওনা, নবম খুরাই খুনকহনেন অচংবা অসিদা খুমিং
অনি থোকপগুম খবা অনি পানগুম, নপাল মুংকান অপানবা
মমুম যাকতা, চেংজা তুগুমবু লেপনা থিল্লিবি। শানৌ নচিন
ননাওনা, চিংভু নরম্বু থোয়রম নমাইবা ঐনা চিংভু নতিক
অকবমু তেংথাঙমদে হায়র্বাগ চিংভু তাশিবিগনো। অগ্রাই লাং-
খিগুমে। চিঙ্গু সনা নথোং থাদা কয় হম্বা লাওনা কোন-
শিল্লমগো। হে স্নি য়ো॥

---

৩৩. । থৌঅয়োল ঈশৈ

হোইরৌ হয়া ৩, হয়া সঃ ৩, য়িং সঃ ৫, তে তে ২ হে হুপ
লমলেনমম্বা হেয়িও। মদাই দা হেয়িও। কইন য়োমা হেয়িও
পুংম্মোম্মা হেয়িও। য়োকইময়াইবু হেয়িও। তাওরোইনাইবু
হেয়িও। তাওরোইনাইবু অতামবমু, মালেমইথাবু লাংমাইবু

লমাইতোনবু খোঙমদোনবগী খবি শেনগোইরেং অনাম-বদি লাকপহনখিদ্রবো। হৈরিককৈগিবু কেরিওৗ চিংঙু খোইমোম লাইরিংথৌ. মাংলেন লৈলেম্বা কোরৌ নোংহোৱকপা অগোম মশা-নো খোইরোম লাইরেম্বা মাল্লেম লৈছোবি কোরৌ খৌংথিৗগা খোইয়ুম নতে ননাওনা মাল্লেন হৌরৈগি, লৈগা হৌরৈগি হেরিও। কারৌ হৌরৈগি, নোংগা হৌরৈগি হেরিও। পোইরৈ শেমরৈ-গ লৈগা শেমরৈগি হেরিও। শাবেন নোংশা থাংলৈবনা অম্বং ফাইএ। পানবা কৈনা তিতি কাইএ হেরিও। থাবৌনা পেমু ওই, লিন্দুনা কাংজৈ ওই, নারিননা লুমলি ওই, লিনখাকনা বাইথুমিং ওই। তুংবুন নাওবুম্বা য়োংখাংলি ওই, তাংলৈনা য়াংচি ওই। খোনাইবনা লাঙ্গোন ওইএ। ডোনাইবানা য়োং-খোন ওইএ। পেঙ্গুনা লোংথুম ওইএ। লিলহানা চৈবুন ওইএ। তরং হাগা শোন, তিতি ঙমগা চিংনা থাল্লে লোথোই কোরকরৈগিবু হোয় য়ো। চিংঙু নকুম কুমগাওনা নথা থাজা বা কাওঙমদনা হেবি য়ো। খোইয়ুম লাইবংথৌ লেংগাকাং য়োইবু খোইমোম লাইরুবা লেংগা তিননা লাংলেন কোংয়াং বারু-কোন, খ্রৌবৈ নিংছুম্বা তেংনো য়োংফাকপবু য়োংলৈ লোংনা কাম্না থালৈ লৌতা হৌরৈগিবু। থাজা বাকাওদনা হেরিয়ো। খোয়ুম নতে ননাওনা চিংঙু নকুমঙ্গু কংলক্লবগি, খোইয়ুম নংলি লোইদাম কুনদন লো অসিদা, চিংঙু নডাইরোইবু লেং-নাকাং। খোইমোম নহিশাংবু লেংগা তিননা, চিঙঙু নকঙ্গু খোইয়ুম কয়াইদা অথৈ লৌতা য়োইরেন লোতা অনিমদা

হাওনি ভমগা চিংনা নমু মিপুম মতা থাৱৈ য়োংন্থ মতান থাবি লেংনা তিন অমাই লাকলৌশিন অদৈ খোংকাং লেংনা পোইরৈ খুজা ছপ ওয়ুম নাইজা তিন্না য়োংবৈ নোংথাংকুপ মাঙ্গেৎ নৈজাং মপান কোই খৌরৈ নৈশাং তোই, ভেংপাক লানুশা হারু নোংগা ফো, পোরোম মতাশম কাইথেৎ মরুত্তুপ নুপা খুমনতান য়াংদৌ মমৈশম হাহি কোকাই তুপ, লৌরী ভুংদাই য়ান, পিরেন মচি খোয়া থাৱ্লে ভমথুংলে। খোইয়ম লাইয়িংথৌও হেয়িয়ো। খোইয়ুম লাইনিংথৌ য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা, খোইয়ম নতৈ ননাওগি থাবৈ লৌরেনবা লংমাই চাইজি লৌরেন পাকপা, লোইদাম কুমদমলৌ অসিবু লোইদান মমাই কা চিংঙ্ নকুমওঙ্ কংলকলবগি। কেকে মোইয়াংচাদি শিদকৌ নোংয়াই খুমন চাদি নাদ ফৌ। নোংবান লোইজ' য়াংবা লোইমোম কৌরম তরেৎমনা, মাল্লেম লৌপাক মনমশিনা থাংয়ি চোইনা লং। য়ামজেং নৈকুপ শিরশিদা হেয়িয়ো॥ চিংঙ্ নরলকু পোইরৈ মিপুমবু শেন্দা য়াওম তেৎনৌ চিদাই নাইদা, থাংয়ি মপান কাবা, লোইমোম মহৈ চুম্বু লনকুবিরমও। খোইয়ম লাইয়িংথৌও হেয়িয়ো। চিংখো ইপুং মনাই ওরুবা লিকলু থমবাল লাংজেমসে। ইপারি ইমোম ওরুবা কৌথা কাও- থুম তাজেমসে হেয়িয়ো। চিংঙ্ নরঙ্ খোইয়ম নমাইবনা চিংঙ্ মতিক অরুববু তেংথাওমদে হায়বগি চিংঙ্ তাথিবিগুনো। খোইয়ম অমাই লাংবিগুনো। কাওরেন শপ্পৌ লাবা মিংয়েংমবি- গুনো। পোংথৌ লাবা মিয়েংমবিগুনো। অথিদি অথিনং তেমবিও। অমাইদি অমাইনং লাংবিও। খোইয়ম লাইয়িংথৌও। ইবু

ঙুংথাম হোংবেম নৈপুনসিবু ভাংজা লুদা খোংবা কোনশিন-লমগে হেম্রিয়ো। হোইরৌ হয়া ৩, কয়া স: ৩, ম্লিং স: ৩, হে হে ন, হে হুপ হে ॥

৩৪। লাই থরাউবা (পাওকপ ঈশৈ)

উমং লাই হরাউবগি লাইনা লম খোক্নুনা হরাউ কুম্মে মথল মথল কয়া শাগ্নরগা, সনা লঙ্গাই তমনা কঙ্গিল্লকপা ছায়বদি লাইনা দোলাই লেংজাউ তোংহুনা খোঙশাল্লকপদা লম্বীদা চেন চোংহুনা শাম্নহুনা লাই হঙ্গিল্লসি য়াদহুনা তাও-হুনা নৈহুনা লৈপ্রবা মতমদা মাইবনা মথাগি লাইশোল, লাই-মিং অসি শক শোন্দনা লাই কোগনি (থেমগনি)।

হো-ও লাইনিংথৌ থম্লাংবা, শিজ কালিকা লাইরেম্মা, চৌওঙ্ অনিমবু নদাইরেম নথুল খুনপুক অচওবা অসিনা নকুম কুম্বি কুমকাউদা, নথা খাবি থাকাউদনা থানলাপাল লাইরপাল চম্ চঙোপাল তোংলেং লৈশংপানগি হরাউ শকশেম তম, থো-থোক কুম্মেএবদি লৈচাওনবা থুঙ্গাওনবা, থুমহোওনবা চরৈ তাপু থরবা, কাউরেন ঘনকোন থন, তায়ম নাইকোম্নবা, মপাম্রী শাত্তববু মপারি শাৎনবা, মযোম কুইদববু মযোম কুইনবা। কাওরেন শল্লাই তাদনবা, নমু মীরাই তাদনবা, লৈথাক মরা

অমলবা, নিংথৌ কপাল ফেংনা পাবানবু মীনয়ুবিযু হায়কদি হাউবরে হাওখ

অসি শক শোন্দ্রনা অমাইবনা লাওগনি। লাইনী নোংগল তৌরিবা মীয়াম্না তারে হায়না হায়বগি মওংদা "য়া" লাওনা খুমগনি। মতম অছুদা লাইজাওছুনা চেন চোংছুনা শায়রবা অছু তেগনি।

বিঃ দ্রঃ—শৈশক অসি লাই কাবত্তগি নত্তে। লাইবুঙ খুদিংমকতা লাই লাইশিং অছুগি মমিং হায়ছুনা শক শোন্দ্রনা শিজিন্নবা য়াই। মসিবু লাই হরাউবা হায়না; কৌই।

৬৫। হিরাউবা

ককচিং খুলেন্দা নাউরেম শাগৈনা সেবা চংলিবা উমং লাই ঈথক নিংথৌগি, কুম্জাগি হরাউ কুমজনবা ঈশিংদগী ঈকৌবা ঈকারকপদা মহিবা অমত্তুং হিরোয়শিংনা, মখাগী লাইশোল ঈশৈ অসি শক্ত্রনা হিরাউছুনা (হি চোন্দুনা) ঈকারকনি।

অছুগা মাইবীনা লাই খেল্লিভৈদা, হিরোয়শিংনা মখুত্তা নও অমমম পায়ছুনা খেল্লনা লৈগনি। মাইবীশিংনা লাই হেক ঈকারকপগী তাগোই ওকপগা লোয়ননা, পুঙ সেন য়েছুনা (খিনছুমা) কাগনি। মতম অছুদা মাইবনা মখাগী লাইশোল ঈশৈ অসি শক্ত্রনা হিবাউগনি। লাইনা ঈকারকপা অসি মর্ক

উবদি কংদে, ঈহাইক্-নৈরাং নৈয়োমমুলনম্ব তোংই। খগোল শামুনম্ব তোংই। লোলাই লেংজাওনম্ব তোংই। ছিদম্ব তোংছ্-না ঈকারকই। লাইদি মানা মিওলক নিওলকপা মতুংইননা তোংই।

ছিরাউবা

মাইবনা;—হো, ও, ও, হো হোই (১)

হো, ও, ও, হো হোই হো হোই (২)

হো, ও, ও, হো হোই, হো হোই হো হোই, (৩)

মাইবনা—হরিএ হোলে হোল। ছিরোয়শিংনা, হায় হায় খুমগনি।

লাইনি থৌ	হায় হায়
ঈথক নিংথৌ	,, ,,
য়োইবু থোইমোম লাইমেম্বা	হায় হায়।
চিঙউ অনিমবু	,, ,, ।
নকুম কুম্বি কুমকাইবা	,, ,, ।
নথা থাবৌ থাকাউবনা	,, ,, ।
থম্বা পাল লায়রপাল	,, ,, ।
চমু চঙৌ পানবী	,, ,, ।
তোংলেং লৈশংপানবী	,, ,, ।
লয়চাওনবা	,, ,, ।
থুম্বাওনবা	,, ,, ।
চাকহোংনবা	,, ,, ।
চাহোঙনবা	,, ,, ।
লন হোঙনবা	,, ,, ।

খুমহোঙনবা ,, ,, ।
কাওরেল শম্লাই তাদনবা হায় হায় ।
নমু মীরায় তাদনবা ,, ,, ।
লয়বাক মরা তপনবা ,, ,, ।
নিংখৌ কম্বাল চেৎনবা ,, ,, ।
শাগৈ নয়েকচা ,, ,, ।
নতু নপাচাশিংমা ,, ,, ।
পিবা হও ,, ,, ।
চমু হও ,, ,, ।
মাকচ হও ,, ,, ।
খেঙ্গু হওনা ,, ,, ।
মকুম কুমচৌগে ,, ,, ।
নপা থাহৌগে ,, ,, ।
হরাউ শকশেমতম ,, ,, ।
পোথোক কুম্মৈনগে হায়বগি ,, ,, ।
থাবী মরাঙ হও ,, ,, ।
অমাই মথি মাইনা ,, ,, ।
লাইজা ঈরোম্ংদগী ,, ,, ।
খোয়ম নঙবু পাওথেম্নদি ,, ,, ।
লাইজ ঈরোম্ংদগী ,, ,, ।
তুবী নয়েকলা ,, ,, ।
লাইরেন নথেক লৈরোংশা ,, ,, ।

হাকৈর খূনেংবা ,, ,, ।

তোংজেং খুদানবা ,, ,, ।

লাইজা ঔকায়কপদি ,, ,, ।

লাইনিংথৌ লাইরেম্মা যমাইশা ,, ,, ।

হিপুক শেনবা ,, ,, ।

হিনাউ কাওদোন কপা ,, ,, ।

চীরু তেংমাই লেপ্পা ,, ,, ।

লয়থু থমথোকরোই ,, ,, ।

ইশরাক সিঙইরেকরোই ,, ,, ।

হি হায়যু—হি
হায় হায়যু—হায়
হি হায়যু-হি
হায় হায়যু—হায়
হি হায়যু—হি
হায় হায়যু—হায়
হি—হি
হায়—হায়
হি—হি
হায়—হায়
হি—হি ।
হায়—হায় ।
উঃ

তেংবায় লেপ্পনা নৌ থাজংকদি ।

N.B.—উঃ হায়রবদি মাইবনচিংবা যন্না পুন্না খুমখিল্লগদি ।
মাইবদি নৌ পায়দুনা মাইকৈ ও মতম কোং কনগদি ।


মথক্তা লাউ্রিবা হিরাউরোন অসি, ঈকৌকমদগী লাইনা হিকারকপা লম্বী থেংখাও, লমল্যোং খুদিঙমক্ক ল্মউগনি। লাইবুং চংলকপদস্তু হি হোন্দ্‌না ২ না চঙলকখি। লাইনা ফম্বান্দা হেক ফমদেংলবদা হিরোয়প্লিংনা লাইমাঙদা হি হোঙিন্দ্‌না লাই ঈকাগনি। লোইরগা মাইবনা হো লাইল্লিংথৌ লাইরেম্মা মনাইশা। হোঙিক্তি লাই ইকারক্লবনিনা খুনেং হি, অসি হিজগাংদা থম্‌বসিকো। হিরোযশিংনা হোয় ২ শায়না শুমগা মাই ওম্থোক্ত্‌না হি হি হি শায়না ৩ লক ইম্থোকনি। ভ'বনা হিজগাংদা থমগনি। অদুগা ঈকৌকমদগী লাইবুঙ ফাওবদা চঙ তানবা লম অতেন অশাং য়েংহুনা ৩। ৫। ৭ লক হিবাউগনি।

৩৬। শরেন কৎপা

চিঙঙ্‌ ইবুংঙো খোয়মুম ইবেম্মা মদাইরেম খুনবুক অচৌনা অসিনা নকুম কুমবি কুমগাওদা নথা থাজা থাকাওদনা হরাউ শকশেম তম খোদোক কুম্মেনগে শায়বগী থাবী মরাং হৌ অমাই মথি নাইনা লাইজা ইরোম্‌ংদগী খোয়মুম নংবু পাউথেম্নদি শিংলেল লৈতোং তোঙ লৈবাং লৈয়োমন্নংদা তেশিন নৌশিল্লক্লে। য়াংদো লমদাং শিংলক্লে। কংলৈ নঙমাংদা থাম্নী মৈ ওকলে। ঙাম্নু খোঙ্গাল্লে। সনা শঙ্গাইনুং সনা ফম্বাল লাংদা ইবুংঙো ইবেম্মা অবা-পোংথারে। অনা হি থাংলে। ইবুংঙো ইবেম্মা অনিমকপু মিনম থানম্বসু খোয়মুম অমাইবানা তিনকোক লাই-কোক্লে। থাম্নী মৈবা হোরে। সা ফম্বাল্লাংদা চৎরি নিংথিবু

ললহোংলে, লিক্লাং অনৌববু কোনগারে। পাকতু হেল শলাই ভান্না ফমফল্লবা অসিদা লনাই নচা নগুশিংনা (নদাইরেম নথুন থুনবুকলেশিংনা) হৈরাং পুঙগা থোন, লুকলেন পানগা চোম্না হৈকৎ লৈকৎচবদি হৈরাংসু হৈতংবিয়ু, লৈরাংসু লৈচিনবিয়ু। হয়াও ভয়াম্না লৌবিয়ু। ইবুঙো ইবেম্মাগী হৈয়া লৈয়ারিবা ননাইশিংবু হৈরাং শেৎথবিয়ু লৈরাং থাইথবিয়ু। তরা চনিং-চাহৌবা বাংলৈ য়ুনিংথাকনা য়ুহৌবা চবৎ চবান কৎচবা অসি নহালনোং হয়ি হয়াঙৈ, থুমুংচকঙৈদদি ওকলেন লাবা থরোবনা শরেন লৈগা তুরন্মী। ঙসি কৌবা কোরৌ মুমিত্তি মমা ইরাম্ন লৈমনা পোকপা শরেং শমশাংবিচানা (শরেল লৈগা তুজরিএ) শবেল ওইনা শলৌ থৌনিজবিয়ে। ভাপানে, শাপানে, কং-পিক কংজাও পোকপা ঙমু মমৈ লাংবনা কাইরৈ য়েনহুৎশিম্না হিংনা চাবা, মুম্না চাবা বাৎচ ঙমথৈ লৈতনা মথেল লুককোয় শেমলে। লুকলেন পামনা (পমনা) হাবিয়ু। য়ামফা চনিং ফাবিয়ু। খোইশাও লিনশাওবিগনু। মাইকৈ ৪ শুংদাই ৮ মক্তগী নহৈ নরোংপান, নফৌ নঙা অচুম্ববু শঙ্গিরকও গুরু। লোইদাম কুমজা অনৌবনা চৈকারকসিদা নদাইরেম নথুন থুনবুক ওচংবাসিদা তিনচা লাইচা তিনমু লাইমু বলক য়েক্না লাকপা খিবক হাওরৈ থানা পাংনা হোইদোকপিয়ু। অফবা মুংঙাইবা, পুন্সি মুংশাংবা, কোকপানথোংবু চিঙবা, লুপানথোংবু ন্নাদবা, কাও-রেল শল্লাই তাদবা, নমু মিরাই তাদবা, [illegible] শেনগাও চেম্না লোইমোম থুমকোক হাংদবাবু লেপনা [illegible]কুবিরমউ হে গুরু দা

লোইয়ে॥



অইবগী কোওগব লাইরিকশিং :—

১।	ফিদম শৈরেং	মমল লুপা	৫,০০
২।	মণিপুরী কলাকার ১বা	,, ,,	১০,০০
৩।	,, ,, ২বা	,, ,,	১০,০০
৪।	,, ,, ৩বা	,, ,,	১০.০০
৫।	শক্লাইবশিংগী পুন্সি ৱারী ৪বা	,, ,,	১০,০০
৬।	,, ,, ,, ৫বা	,, ,,	১০,০০
৭।	লোয়য়ম্বা শিনয়েন	,, ,,	৫,০০
৮।	অরোংনন্দকুমার লাইবু নিংবা	,, ,,	১০,০০
৯।	লাই হরাওবা লাইশোন	,, ,,	৭,০০
১০।	ফিদম ৱারেং	,, ,,	১০,০০
১১।	উমং লাই খুন্দা ভোলুম ১-১৮	,, ,,	৩,০০

লাইরিক কংকম :—

১। কে, ৱাই, ষ্টোর— পাওনা বাজার ইম্ফাল।

২। ও, কে, ষ্টোর — ,, ,, ,,

৩। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ— পাওনা বাজার ইম্ফাল

৪। অইবগী য়ুম— নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক।